
লৈহৌ-নোংহৌ



মোইরাংথেমচা তোমচা

লৈহৌ-নোংহৌ

ইজবা

মোইরাংথেমচা তোমচা
ক্যাকৈথেল, অহঙ্গাও বার্কসোপঃ
ইম্ফাল ॥

ফোংজবা— অইবা মশামক

অহানবা ফোংবা— ১৯৮২ আগষ্ট ১২

কোপী মশিং— ১০০০

মমল— লুপা মঙা

সত্ব পুম্নমক— অইবগীনি।

নমকম— পোপুলর ইনষ্টিটিউসনেল প্রিন্টরস', এসোসিয়েসন
তেরা কৈথেল ইম্ফাল।

ৱাহৌদোক

চাওখৎলব মতম অসিদ লৈশেমলোনগী অৱিব ৱারিবু ইরাই লাইব লোন্দ নৌন অমুক ইথোকচন্নুন ৱাখল লৌশিং খরদং পুথোকচবদ অশোইব কয়া য়াওৱবস্থু ঙাকপিগনি। লাইরিক অসি "লৈশেমলোন অৱিব" কৌব পুয়াদগী মচেৎ খৱদং লৌ-খোকলগ ইজবনি। নোংমদোন থক্কি অতিয়াদ মুমিৎ থা থৱান-মিচাকশিংন পোকলক্কুন মালেম তাইবংপান ওইৱকপ ফাওবগী অশম্ব ৱারিনি। মহৌশাগী ওইব মওংন য়ুমফম ওইরগ নোংথৌদ লৈব লাইশিংন হৌরকখিবগী হৌরকলোন্নি। অহাংবদগী মৈ ঈশিং মুংশিং পোকলকপ। লৈবাক লৈমন লৈহৌরকপ। নোংথৌ মরোল তৱেৎন নোংহৌরকপ। অমদি ঐথোয়গী মৈহৌৱোন, মিহৌৱোন, য়েলহৌঙৈনচিংববু লমদম অসিগী মীওইশিংন নৈনফম থোকই হায়ন খনজরুবদগী ইজব লাইরিকনি।

অইব

লৈহৌ-নোংহৌ

লংলা লংজিন

ঐখোয়গী মৈতৈ পুয়াগী রারি লিখুন কয়াদি তুথুপ কিশি নাইনা পাওরো লিরো ওইনা চেংনা লৈ। অরিবা লোন্দা পাওরো লিরৌ ওইনা চেংনা লৈশিনখিবনা মীয়াম্না পামনব রাংলে। লমদম অসিগী ফজব শকতমগী অহেনবা মতিক ময়াই ওইগদব হিয়াই ওইরব অশেব ইপোৎ ইরনবু কান্নদব পোৎ ওইন লৌনরকলে। লৌশিংগী মৈরা ওইগদব হি য়াইগুম ঙানগদবা পোৎ কয়াম্থু খঙনবদগী মমল য়াওদনগুম খল্লরক্লে। পুন্নমক অসি মতমগী খোঙচৎনা অরেপ্পা লৈতনা লৈশিনখিবদগী ওইখিবনি। মতমনা পোৎ শুদিংবু অরিব ওইহল্লই। অরিগনু নৌনা ইথোকনবগী-দমক পাওরো লিরৌ পুস্থা কিশি থোকনগী পাম্মে অন থিব তাই। পাম্মে অদুদি মতমদগী হেন্না য়ারাবা, থাপথরব মতমবু তান্নব ঙমদবনি। রাখলনা মতমদগী য়াংই, রাখলনা য়োবা ঙমদব মকম লৈতে। Time minus theory দা রাখলনা পাম্মে পোমিং ওইরগ মতমনা লৈশিনখিবা পরৈবু হন্দোকলগ লংলা লংজিন থিব তাই।

অরিব লাইরিকশিং অসু Shorting তৌদুনা Subject-wise ওইনা খক্লোকপা তাই। Literature গী রাহন্তোক পিব

তাই। Geology ওইরগা Geology দা, History না History দা, Philosophy না Philosophy গী রাখন্দ, Physics না physical ওইব মওংদা লৌবা তাই। রাহস্তোক পিবদ ইচেন কায়হনব য়াদে। ইচেন ওইরিবা Internal Idea কায়রবদি রাহস্তোক অতু চুনদ্রবনি। অস্তুম তৌরবদি চয়েংনরিব অতু লৈররোক্ত। চয়েংঙ্ক রাহস্তোক পিরবদি অতুম মমতুনা লৈগ্রগানি।

নোংখৌ মরোল তরেং Galaxy মরোল তরেংন লৈত্রিঙৈদ নোংখৌনা নোং কৌন অমমম ওইন লৈরিঙৈ মতমগী রারিদি নহান নো, হায়না হৌরকই। নহান নোং নোংথৌ মরোল তরেংন নোংহৌরকপ মালেমন লৈবাক লৈন কৌন লৈহৌরকপ হায়ন হৌব মাইব মাইনিশিন লাইবুংদা লিব রারিশিংদি হংকো মরিগী Methology ওইবা Cosmic অনস্তু Celecialগী ওইব নোংথৌ লাইগী রারানি, নহান নো, হায়ন হৌদব য়াদে। নো কৌবা অনমবদগী য়াই কৌব অঙানব য়াইবিরেন শিনবা (Source of energy) ওইব মহাকপু পোকিলকপগী রারিদ থাইন হায়ন হৌব য়াদে। থাইন থাইন মমাংঙৈদ হায়ন হৌব রারিদি মীরমলেনগী Historical ওইবা Literature নি। চক মরিগী মমাংদ হংকো মরিদ লাইগী ওইব Creation মতমদা Universe শেমলকপগী রারি লৈ। হংকো অমমমদা চহি লখা লখা চংনা তপন তপন ওইখিবনি। হংকো মরি অসিদা তেংবানব অসিন হৌরকপগী হৌরকলোন ওইব তাংকক মরিগী মতম মরি ওইনা লৈ। হংকো মরিদি (১) কোহংকো (২) থোইহংকো

(৩) তয়োহংকো (৪) পয়োহংকোনি। মসিদ ওইখিব হৌরক-লোন মরিদি (১) লৈহৌ নোংহৌগী মতম (২) য়েলহৌরকপগী মতম (৩) মমি তনলকপ মিহৌরোনগী মতম (৪) মী ওইরকপগী মীহৌরোনগী মতম হায়দুনা হৌরকলোন মরি অসি মথং মথং ওইরক্লুনা হৌরকখি। হংকো মরিগী য়ারিদি Universal ওইব রাখল লৈত্রবাদ লৌশিনব ওমদে। হং পনব য়াদে হায়ব য়াদে-কো লাইগী ওইব লাইরমলেনগী য়ারিনি মীওইবনা Celecial ওইব য়ারিদ রাখল লাম্ব ফংদবদগী ভাওখিনি। হায়দোক্নু পনব য়াদে হায়ব য়াদে হায়দুনা থম্মিরম্বা হংকো মরিগী য়ারিনি। অদুবু হৌজিক্কি, Education গী মওং ফংলব মীওইশিংদি য়াম্ন লাইনা Material ওইব Physical গী মওংদা, Process ময়াম অদু Scientificaly তাকপ য়ারে।

হংকো মরিগী মথংদ চক মরি লৈরে (১) হয়িচকতা মীনা শা-ডাগুম লৈরম্বদগী শিংব হেল্লক্লুনা মালেম অসিদা তাই-বংনা পানব তাইবংপান ওইরকনবগী খোংথাং অমা লাক্লুনা মীরমলেন্না মরাই কা খংলকপা মতম অম ওইরে। (২) খুন্নুংচকতা খুন্দারে লৈতারে। (৩) লাংবচক্কা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা লান তৌনবগী অকনবা চরাংনবা মতনি। চিঙুগী খোংলৈ অয়াব (Natural Calamity) মু খোক্লুনা মী য়াম্ন শিব মতমনি। (৪) কোনচক ওইরে।

অহাংব

নহান নোং মালেম তাইবংপান লৈস্রিবৈদ তেংবানব (Universe) অসিসু শেমদ্রিবৈদ তেংপানবগী মপু শিদব হায়না খঙনরিবা অতিংকোকনা ইহাং হাংনা ইতিং তিংনা ইকোক কোকন ঙমখৈ পানদম লৈতনা নো. কৌব অমমব ওইন লৈরম্মি । পাকমন চাওমনখিবন ঙমখৈ লৈতে পানদমফম লৈতে Infinity ওইনা Non matter গী Galaxy ময়াম ওইনা লৈরম্মি । মতৌ অসুমনা চক মতম কুইন লৈবগী তুংদা অতিংকোকনা অতিং কৌব মচেৎ অমবু খায়দোক্লনা পুথোকলে । অতিংসু ঙমখৈ লৈতে পানদম লৈতে অতিয়াদগী শরুক লখা হেন্না চাওই । অতিংনসু শরুক মচেৎ অমা খায়দোক্লনা অতিয়া পুথোকলে । অসুমনা চাওরবা অহাংব অসিবু শরুক মচেৎ মচেৎ থোকন চাওব পিকপগী মতুং ইন্না মমিং তোঙান তোঙান্ন খোনখি ।

মালেং হুম্মোইব নুংশিৎ ওইরকখিব

অতিংকোক কৌব অহাংব অতুনা তিংবি কৌব অতিংবু কুপশিন্দুনা পাক চাওন লৈ । অসুমনা লৈরম্বদগী মখোয় অনিনা তপ্‌ন হায় হুম্বা লৈবা হৌরকই । মতম কুইনা লৈমরেন কৌনা তপ্‌ন তপ্‌ন লৈবদ, তিংবি পিবুকক্লুংগী ময়াইদা মশক উদব

কুপথ্রবা পোং থর লৈবব খংলকলে। পোং অদুবু কুপমনথ্রদুন মশক উদে। অদুবু মশাং লাইনি শিং মশাং পুন্সিবগী লাইগী ওইব মীংন য়েংবদ পোং অদুগী মওং মতৌবু উরদুন থলে। কুপলব পোং অদু অনিন অম ওইব তরেংগুম্ন লৈইদুন লৈববু উরক্লে। ময়াইদ লৈব অদুন কুত্রেং (Nucleus) অদুবু শেন্নদুন লৈইদুন লৈব অদুন শেনত্রেং (Electron) কৌরে। অসুমন তিংবি পিবুকন্নুংদ কুপত্রেং শেনত্রে অনিবু ইহান হান্ন পোকলে। (Nucleus) অমগ Electron অমগদ লৈব Atom নি।

অসুমন অহানব ওইন লৈরম্বদগী Nucleus অমগ Electron অমগদ ওইব Atom থর লৈরকলে। ইহাং হাংন ইহান হামন লৈরম্বদগী লেন ওইব অমবু ওইরকলে হায়ন হামলেন (Hydrogen) কৌরে। Nucleus অমগ Electron অমগন ওইব Atom গী পোংচাকনি। Atom ময়াম অদুন হামলেন কৌরমবদগী তপন তপন হায়দুমনকপদ লেন ওইব অমসু ওই-রকলে হুমলেন (Oxygen) কৌরে। লেন ওইব হামলেন হুমলেন অনিবু থমহনব ঙম্ন থমকোন (Nitrogen) কৌব অমসু ওইরকলে। তরং মালদ ওইরকই হায়দুনা মালব কৌরে। হায়দুমই হায়দুন হুমমোইনসু কৌরে। মখোয় অদুম অসিগী অপুনব মমিন তরংলেনগী হুমমোইব কৌরে।

হুমলেন (Oxygen) গা হামলেন (Hydrogen) গ অনিন নুংগন পুকতিন্নরকলবদ লাইগী মচা ওইব লাইজ ঈরিক ওইরক্লে। ঈরিক ময়াম অদুন লিকল শেমলে। লিকলা য়াইরংচান অদুগ

নুংশিং শিদবগ নুংওন প্রুকতিন্নরকলবদ মমি ওই মকু ওই তৌব মশেন মন্নাংব লৈচিন মপৈ অমবু ওইরকলে। মসিবু তিংবি পিবুকন্নুংগী শোকমোম কাইমোমন্নুং (Womb) গী মিমকুম পাঙ্গনব (Ovul of Unlimited Space) কৌরে। মিমকুম পাঙ্গনবন কাইদোং থুকম লৈতবদগী চেকলাগুম মাইকৈ পুম্ব থুন কোইপাই পাইতুন মতম কুইন কাইদোং থুকম থিনদা। ইহাং হাংন তরং মালং ওইন লৈরমবদগী থিব ফংদ্রে। মি মকু পাঙ্গনবদি অচৌব Nebula তমগুম্বনি। Unlimited Space দা মনিং তৌন কোইপাই পাইতুন মতম কুইন কাইদোংফম লৈতবদগী চক কয়া পাইতুনা লৈরকখি।

খামবি মৈত্রেং অরাব ওইরকখিব

মাইকৈ অমরোমদন অহা ব ওইন লৈরম্ব চাওরব অতিংকোকস্তু লেংব হায়ব হুম্ব হৌরকলে। অস্তুমন তৌরকপদা কুপত্রেং (Nucleus) শেনত্রেং (Electron) খর form তৌতুন শেন-লকলে। পাকচাওরব অতিংকোকস্তু লৈইব হৌরকলে। অতুব্ অতি কোক্তি ইকেক কোকপ অকোকপ ইতিং তিংব অতিংব (Anti maganatic field) ওইব থাইদোকপগী মরমচং ওইবন পোৎচাক লৈবদ ইস্তোকনব হোৎনরকলে। অতিংকোককি মন্নু দ লৈব য়াদবদ Atom practicle ময়াম অতু ইস্তোক ইনশিন

তৌব হৌরকলে। মমৈথংদ Anti magnatic force শিংন কন্ন ইস্নোক ইনশিন তৌন্নরকপদগী উংলৌ য়াইবি শিদব কৌব অউংব (wheeling) অমবু থোকলকলে। অসুমন উংব হৌরকপদ পাক-চাওরবা অতি.কে.ক (Anti magnatic field) অদুনা উংলৌ য়াইবি শিদব কৌব উংবসু উংব লৌবুসু লৌশিনব চাওরব য়াইগী মপি (Metal Boby) অসিবু তাস্নোকনবা হোংনবদ অ:চৌব লান অম ওইরক্লে। উ.লৌ য়াইবি শিদবন কন্ন উ.লি, অতিং-কে.কন ইকোক কোকন লৈনব ইস্নোকপ হোংনরি। উংলৌ য়াইবি শিদবগী মহৌশাগী মরমচত্তি চিঙু (Gravity) ওইন চিংশিনব, খোয়ুম ওইন মশাদ চুপশিনখিবনি। লৌশিন্নগ খায়দোকপগ অনিগী ত.কনব লান্দ মৈশা থোক্লকলে। উংলৌ য়াইবি শিদব অদুন খাংব ঙমদ্রদুনা অকনব খো.জেন্দ উংলকলে। মমৈদ উংলৌরেন (Wheel pool) চিংঙুরেন (Gravity pool) ওইব অঙকপ অমবু ওইরকলে। উংবন হেনমনখিবন মৈব চিংবগুম শারকলে, মৈশা থোক্লকলে। মৈশাদগী মৈরিক থোক্লকলে। মৈরিক্তগী মৈবি ওইরকলে, মৈবিদগী মৈরেন, মৈরেন্দগী মৈজাও ওইন চাকলবলে। মমৈদ হিয়াই (Metalic) উংলৌরেন (Wheel pool) অদুন অকিব ফংব মওংদ লৈখায়দুনা উংলকপদ মৈথৌ ওইন কামলগ লাও খো.দুন Metal ময়াম অদুবু চাকলকপদ হুং হায়ব খোঞ্জেল য়াইবি শিদবা (Sound Energy) থোক্লকলে। হুংদগী য়ং, য়ংদগী ঙং হায়ব অকনব খোস্নোক ময়াম অমসু থোক্লকলে; লাও খোংদুনা মৈথৌ ময়াম

কান্নগা চান্নকপদ কান্থি মৈ কৌরে। খমলাংব কৌব মৈন নুং ওইরবস্থু তুমহল্লগে য়োং ওইরবস্থু শাইদংলগে হায়বগী মতৌগুম লাও খোংহুন কাম্থি কৌব মৈথৌন কামহুনা চান্নকলে। অসুম্ন চাকলকপা অসিদ Metal শিং অহু Limitation লোইখিহুন Nuclear reaction থোকলক্লে। অঙকপ মৈশা য়াইবি (Heat Energy) অমব ওইরকলে। মৈশা য়াইবি অহুদি Universe পু মাংহন তাকহনব ঙম্ব খমহনব ঙম্ব Universe কি Limitation নি। মহাক অসিবু অতিংখম কৌরে। থাংলেন ময়া অথৌবদগী হেন্ন থৌব, ময়া লিশিং পানবগুম্ব মনিলদন তুমহনব ঙম্ব Nuclear Reaction গী মৈনি। Universe পু খমহনব ঙম্ব অতিংখম কৌব মৈ অসিবু অতিংকক কি Anti magnatic force অহুন থকথোকলক্কুনা ইনথরকপদ লাও খোংহুনা পাইথরকলে। হুং য়ং ঙং হায়ব অকনব মখোনগ লোয়নন পাইথরকলে। মতম অসিদদি মৈথৌন মৈঙা ওনখ্রে, মৈঙাংদগী মৈঙৌ ওইরক্লে। কাম্থি কৌন কান্নগ চাকলম্ব মৈ অহু মৈঙৌ ওইন লংন ঙান্ন চাকপ হৌখি। হি য়াই ওইন অতিংকোক্কি চনিং লৈখৈদ নুনিং চানগী মঙালবু হেন্ন লংন ঙান্ন পাইথরকখি। মহাকপু হি মরু য়াই মরু শিদব (Coser Palsar) কৌরে। অসুমন অতিংকোককি চনিং লৈখৈ খমনিং খোংদগী অতিংকোক মরু শিদব ওইরকলগ লৈইহুন শঙ্গোং পাংন পাইথরক্কুন তিংবি পিবুকনুংগী শেকমোম কাইমোম হুদ(Womb) নুংশিংকি মমাং থান য়াংন পাইশিনখি।

খেন্নব খর

মতৌ অসুম্ম পোংচাকশিগী মঙ, মতৌ মতিক মযাই হোংলক্কুন শাইওন তৌরকপ মাল, হুমোইব, তবং লাইজ, থাম্বি মৈত্রেং অবাব অহুনবু তব, মালদগী ওইবক্কুন পোকলে। মথোমশি অসিদি মী ওইন লাংনে তৌব নত্তে, পোংচক নযাম্ম নশাগী মওং হোংলক্কুন শাইওন তৌরবপনি। মখোয় অহুম অসিদি Celecialগী ওইব অচৌব পোংনি। মৈ ঈশি মু শিং হাযহুন মালেম তাইব, পানবদ লৈবিব অসিগ মাংদব খব লৈবন মমি তোঙানলি। তংং মালদ হুনহুন লৈব হুমোইবদি হামলেন (Hydrogen) হুমলেন (Oxygen) খমকোন (Nitrogen) অহুম অসিন ওইবনি। মালেমদ লৈব মালংব কৌব মু শিং অসিদি Argon, Neon, Helium অমসুং অপুন্নদগী থোকপ মমিল Carbordiox de নচিব যাওবে। মখোমন At- mosphere দ মালং অতাংব ওইন দশক উদন লৈংদগী মাল কৌরিবনি। মালংব অহুব নিশা ওইন তাইংং হকচাংনুংদ হেন্দে ক হোঙিন তৌহুন মুংং শিংলব মতমদ মু শিং বৌবে। মু দ শিংলমজ্রবদি মুংশিং বৌরমকোই, মংান্দ শিংপ পানশিং কৌ- রমগনি। Celecialগী ওইব হুমোইবদ Argon, Neon,

Heliun Carbondioxide নচিংব য়াওদে। হুমমোইবদি Cosmic তগী ওইরকপদ ঙাইরিব নুংশিংনি।

তরং মালংদ লিকলা য়াইবোমুংদগী ওইরকপ লাইগী মচা লাইজদি তরং থক্ত তাওদুন লৈবগীদমক তরং লাইজ কৌরিবনি। য়াইবি কাংলোদ ঈশিংন তাইবং হকচাং মনুংদ ঈগী মচুৎ শিন্দুন লৈ, ঈশিংদগী ই ওইরকই, ইদগী ঈশিং ওইখি। তিন থোকত্রবদি নহাও খংদে, খৌ কলবস্থ রা ঙাংব য়াদে। ঈশিংন লৈদ শাইওন তৌদুন তিন ওইন লৈবদগী মহাও খংলিবনি, রা ঙাবদস্থ থোৎলবনিন হৈন শিংন ঙাংব য়ারিবনি। ঈশিংন মশাগী মও হোংদোকলগ শাইওন তৌরকপদ ই ওইন হকচাংদ লৈরগ ঈচেন নাইন চেনবদগী পাঙ্গল লৌশিং ওইরিবনি। ই চেন্দ্রবদি পাঙ্গল লৌশিং পুস্ত মাংখি। অতুগীদমক মহাকপু ঈ অশিংব ঈশিং কৌরিবনি। মালেমদ ইপাক পাকন লৈরব মতমদন ঈপাক কৌই। Celecial গী ওইন তরং মালং ওইন লৈব মতমদন তরং লাইজ কৌই।

য়াইবি কাংলোন্দ য়াইবি কৌবদি থম্মোইন Energy Generate তৌদুন য়াই ওইব Energy গী মপি ওইন অরেপ্প লৈত্তন Energy পিথোরকই হায়দুন য়াইবি কৌরিবনি। Energy অদুন হকচাংদ লুম্ব শাব মৈশা অম পি। মৈশা অদুদি নুমিৎকি মৈশাদগী লৌব মৈশানি। নুমিৎকি মৈশা অদুন শাইওন তৌদুন মঙং কয়ামরুম হোংলব তুংদ য়াই ওইন হকচাংদ লৈবগীদমক য়াইবি কৌরিবনি। য়াই অদুগী মতিক ময়াইন

হকচাং মনুংদ শাহল্লি হায়ত্নন মুংদ শাব মুংশা কৌরিবনি। মপান্দ শাব পানশা কৌরমদবগী মরমদি অসিনি। মপান্দ শাব নুংশা হায়ন থংনরিব অসিদি মুমিংবী মৈশানি। য়াইবি কাং-লোনগী রাহম্মোক্কা Geographycal Termগী রাহম্মোক্কা মান্নদে Common Language গস্থ থেন্নব খর লৈ। Subject খুদিংগী Idea মান্নদবন রাহম্মোক মান্নদে। শিং-উ চাকপদগী ওইরকপ মৈদি মীওইবন পুথোকপ মৈনি। Creationগী মতমদ ওইরকপ Celecial গী মৈদি থাম্বি মৈক্রেং অরাব কৌবশিং মরা তাদবন চাকপ মুমিংকুম্ব মৈনি।

উ.লো য়াইবি শিদব কৌব Grevityগা লোইন্ন অকিব কংন উ.ব Celecialগী অচৌব পোৎ অমদগী অঙকপ কয়া থোকলকপ হায়বসি মহৌশানি। Bramoda Traingle গী অকনব ঈরৈন উ.লকপদ Flying Sorcer কৌব Celecialগী ওইব খংব ঙমদব করিগুম্ব খর থোকলকপসু মহৌশানি। থোক-লকফম থোকপ কয়া লৈবদগী থোকলকপনি। মুংশিৎ নোংলৈদ মীওইবগ চানদব করিগুম্ব খর য়াওবসু মহৌশন য়াওফম থোকপ লৈবদগী য়াওবনি। মসিস্থ Celecial গী ওইবন মালেম তাইবং-পান অসিগ চানদব খর লৈবদগী মুংশিৎ নোংলৈন হকচাংদ য়েবদ লাইনা মখল অম ওইরকপনি। অউ.ব পোৎ খুদিংদগী ময়াই [Energy] থোকলকই মরম অত্নন উংলো য়াইবি শিদব কৌরিবনি।


লৈশেমলকপ

ভেংবানবগী মপু শিদব ওহাগ্নব অতিংকোককি পিবুকচুংদগী অতিংকোক মরু শিদব কৌব মপু মহাক্কি ফম্বি মাংফদব লিক্লা য়াইকোন্সুংগী নোংলুম মশক ওইব (Casar Palsar) অসিন তিংবি পিবুকসুংগী সেকমোম কাইমোমসুংদ লংন ঙাম্ন হুমিং লিশিং অমগী মঙালবু হেন্না লংন ঙাম্ন পাইথরকলে। ছুং য়ুং ঙাং হায়ব অকনব য়ারা খোঙ্হোকন অকনব ইরাই ইনিলগ লোইনন কৌক্র লিকলম পাংবদগী য়াংন পাইথরকলে। তিংবি পিবুকসুংদ চক মতম কুইন কাইদোং খুফম ফংদবদগী চেকলাগুম পাইহুন লৈরমলব মিমকু পাঙ্গলব (Nebula)সু, চিংঙ্ঘ (Grevity) খোয়য়ুম (Valancy Power) ওইব মহাকন চিংথৈদ লেপলগ চিংবদ, মিমকু পাঙ্গলব (Nebula) অহু মুংশিংকি মমাং থান য়াংন পাইশিনলকলে। চিংঙ্ঘ খোয়য়ুম ওইব মহাক্কি মথৌজাম্ন চিংশিনখিহুন মখোয় অনি অহু অমত ওইশিনখ্রে। মশা পুম্ব তাইশিনখিহুন পিকশিনলকলে। খোঙং মতৌ অসিদ মুক্রেং হিগোক চুদানব [Black Hole] অমবু চোংথোকলকলে। মুবদগী মুব লংবদগী লংব হিগোক মচু মানব Anti matter ওইব Blak Hole ওইব মুক্রেং অহুন হি মরু য়াই মরু ওইন Nebula অহুগী ময়াইদ পাংখহুন

---

*Letarejure না হেনমনগ্রবদি reality য়াঙলকই।


লৈরম্বদগী চিংঙু খোয়য়ুম ওইব মতিক ময়াইবু ফোংদোকলকপদ চোইনৌ স্নামচু মানব [Expose star] অমবু ওইরকলে। চিংঙু খোয়য়ুম ওইব মহাকন শুপন চিংশিন্দুন তপ্‌ন ঈরৈগুম লৈরকপদ Nebala অত্থদগী লৈবাক মতুন অমবু ওইরকলে। লৈবাক মতুম অত্থবু লৈবাক লৈম কৌরে। চোইনৌ স্নামচু মানব Bright star অত্থগী অকোয়বদ লৈন লৈন লৈবগীদমকস্থ লৈম লৈহনবি কৌরে। মতমগী মতুং ইম্ন হিমক্ক য়াইমক্ক অত্থগী চিংঙু [Gravity] খোয়য়ুম[Valancy power]ওইব মতিক ময়াইন চিংশিনবদ লৈরম্ব পোৎ খুদিংবু চিংশিনখ্রে। চিংশিনব অত্থদ মথং মথং ওইন থবক থৌরম



[Process of work] কয়া অমস্থ ওইরকলে। থৌওং থৌদৌ অসিদ মহৌশা কৌবি ইমান শিনবু শিলহৈবি শিনলৈম কৌন থৌওং মখল ময়াম পুথোকলে। মাইকৈ মবিগী অহাংব Non Matter শিংবু Atom ওইন চিংশিনলে। অমুমন মাইকৈ মরিদগী চি মরি পাম্ম চিংশিন্দুন নোং কৌব অমগ অহাবদগী মশক উদব কুপক্রেং [Atom] পোকলকলে। থৌরম অসিবু নো.- পোক চিনকোই মরি পানব কৌরে। Atom শিং অহুবু অমুক শুপচিনবা মওংদ চিংশিনলকপ [Concentred] অচৌ অচৌব পোৎচাক [Matter] ওইরকলে। থৌরম অসিবুন পোৎচাক ওইন চিংশিনলকই হায়তুন অচিব কৌরে। পোৎচাকশিং অহু পুশিনলক্কুন নপশিনব থোনজিনব হাপচিনবগী থৌওং অমবু ওইরকলে। থৌরম অহুবুন পোৎচাক পুরক্কুন হাপচিনব শিজি- নবগী থবক তৌই হায়তুন অশিব কৌরে। লাইনিংথৌ অশিবগী মশাদগী মপুং ওইব পোৎ পুশিনলকপ লাইপুংথৌ মপাল পু- থোক্কুনা চোংথোকলকলে। লৈন লৈন লৈবাক পুনশিনলকপগী থৌরম তৌবি লৈম তরেৎ অমস্থ পুথোক্কুন চোংথোকললে।

অরৈন্মু অরান্মু অহুমন্মু লৈপুবি লৈথোনবি লৈশিবি লৈনপ্লি কৌন লৈম তরেৎন লাইনিংথৌ অশিবগী থৌরম্মু মতেং পাংলে। অরৈন্মুন লৈকুপ ময়াম লৈশিনলক্কুন পুনশিনলকলে, অরান্মুন পাকথোক চাওথোকহল্লে, অহুমন্মুন হুমজিনলকলে, লৈপুবিন লৈবাক পুরকলে, লৈথোনবিন লৈবাক থোনজিনলকলে, লৈশিবিন লৈবাক

* Matter শিংগী থবক থৌওংবু মী ওইন খনলোইদবনি।


লৈশিরেন

শিজিনলকলে, লৈনপ্পিন লৈবাক নপশিনলকলে। লৈবাক শিরে লৈশিরে লৈবাক থোল্লে লৈথোনলে। লৈম তরেৎন লৈন লৈন লৈবাক পুশিনলক্লুন লৈম লৈহনবি লৈহাক লৈমদ শিন্নরে। লৈবাক লৈমন লৈবাক ময়ামদু তাশিন থোমজিন্দুনু পৈশিনলে। লৈবাক ময়াম্বু পুন্ন থমফন ওইবি লৈবাক পুনশিনফম ওইবি অমবু ওইরে। লৈম তরেৎকি ময়াইদ লৈবাক লৈশিরকপগী লেন ওইব মফম ওইরে হায়ত্নুন লৈশিরেন লৈপুনবি কৌরে। লৈশিরেন লৈপুনবিন লৈহিং-নপ-ফা কৌন লৈবাক লৈহিং ময়াম অত্তুবু তাশিম থোমজিন্দুন কোনশিনলে। অসুমন কোনশিনবদ লৈবাক ময়াম অদু তুথরগ পাকশিনখিত্নুন অমত ওইন পাকশনরকলে (Valancy Power) হায়ত্নুন থৌওং অসিবু কোনশিন তুথব কৌরে। লৈম তরেৎন লাই মুর তরেৎ ওইন অহাংবদগী লৈবাক লৌরগ লৈবাক লৈথোনলকপদি ফজবগী ওমথৈ লৈতে, অসিনি হায়ফম থংদন ফজে।

মপান্নদা ফরব লাইপুংথৌ মাপলন হিয়াই ওইব মচং ওইব সনা লুপা য়োৎ কোন্নিনচিংব পোৎমথৈ পুনশিনখিত্নুন হিমন্ন য়াইমন্ন শিদব কশা য়াইনিংথৌদ শিন্নরে। কশা য়াই নিংথৌন চিংগু খোয়য়ুম ওইন চিংশিনখিত্নুন অমত ওইনা মশাদ চুপশিনখরে।

য়াইগী য়াইকোন্নুং ওইন শেমলে শারে। মুমিৎ চাংমমগী মঙালবু হেন্ন লংন ঙান্ন চিংগু অরেপ্পবু ওইন লেপ্লগ ঙাম্মোইরে। মতৌ অসুম্ন মহৌশা মাগী খুৎশেম্ম কনাগী থৌশিন য়াওদন মদোম শাফোংলক্লুন মদোম চাওরকলে। লৈশিরেন লৈপুনবিন লৈম তরেৎক লোইনন

খোইয়ুম ওইব মহাক্কি অকোযবদ লৈমবেন কৌন লৈন লৈন চক মতম কুইন লৈখি।

অস্নুমন লৈবগপদ লৈশিবেন লৈপুনবিগী লৈমাইদ কোইশিন ৠ [illegible]ব [Valancy Power] ওইন লৈরবদগী লৈবাক পুম কাযবকনে তোযনলে নিংখাইবকনে। লৈবাক মযাংতু তাশিন [illegible]নজিন্দুন [illegible]ক নশি[illegible] তকযনবে তুগনবে। লৈবাক পুম লৈযিন শাযবকলে হাযহুন খোবম অসিবু লৈথিনগাই [illegible]বে। লৈ[illegible]নগাইন [illegible]নগাইবগপদ অহা বনগী লৈবাক [illegible]বগ শেম্ব চাযু যুহি [illegible] [illegible] ইনে লৈহাই নপ য কৌন নপাশনব ফাজিনবদ যাদবে লাইপু খো [illegible] লন হুনবা তবেংসু ইচাই চাইন লৈবকলে মাগী মাগী থবব [illegible]বমবু [illegible] খদন লৈবকলে। মতম অসিদ [illegible] লং[illegible] সনা নুপা যোং কোবি মযামবু চেংন [illegible]দন যে[illegible]লে। লাইপুখো [illegible]পালনসু লন পুম্নমকপু পুং-[illegible] লনলৈনদ [illegible] যে হৈনু লংলৈমন অঙকপ ফংন চাওবব [illegible]নগৈ অনগুন্ন [illegible]ন্দুনা যোনলে। অস্নুমন যোনলবদ লৈবাক লৈংবাম্নুংদ চ[illegible] লৈশিবেন লৈপুনবিগী যাইদ চেংন কোনশিন্দুন থমলে। মতম কুইববগী তুদ চাফু ফুহিং মনুদ মহিবেন [Molten Larva) ওইবনলে মহিবন্ন লৈবাক লৈবোম্নগী যাইদ চিংউ (Gravity] ওইন চিংশিনলকলে। লৈবাক লৈনগী লেশাবু অকায অতোই যাওদন থমলে। লৈন তবেংন অমুক লৈন লৈন লৈবাক লৈশিন হোৎকলে। লৈশিবেন লৈপুনবিসু অমুক লৈবাক শিজিনলকনগী লৈবাক পুনশিনফম ওইবকলে।

মহৌশা কৌবি ইমাস্থ শিনবু শিংথৈবি শিনথৈলন ওইন নচা মযামগা লোইন্ন লৈশেমলে। লৈবাক লৈমন থৈগইনবি কৌব লৈবাক পাম্বিবু ওইরে। লৈন লৈন মুশিং মা লৈগী মতৌগুম লৈহুন লৈবাক মযাম শোংগৎলকলে। লৈবাব পাম্বিবেন ওইন লৈশিবেন লৈপুনবিন লৈহৌরকপদ লৈবাক লৈশান চাংমনখি ম নিকপ হাব অম্মক হৌরকলে। অস্থমন নিকপা হাপ থৌবম অসিবু হাবাব কৌবে। হাবাবন যাচে যহাংচব খোংলোই লোইন্ন লৈবাক লৈশা পুম্ব তগুপ যম পিবগা হাংগ হৌরকলে। মযম নবন খুন্দ পোশাকবগা, লিংথৈগা, কিশুবকপা অচেপ ওইন থোকখ্রে। নিকপ হাব মগন অতুগী মক্ত মহিবে ওইন লৈপোম্মুন্দ লৈনম্বু তৌব যাবত্তুন থেংনলকলে থেংনবু দন লৈমস্থ থোডাক লাইবেম্বি ওইন নহিংনবু ডাংনবগী ডাকপ থেংনক্তুন থোলোন মাপলবু হ থোকলে। থা খংদ লৈগী চিঙ ওইন চাকলক্তুন কানপোকলম্লে। লৈগী ভুংশা চেনলগে মনিলা লৈশা। লৈবিক নযাম্ন লোংনদোন্দ পাইখং খুৎন পুমন মমখরে। মতম অসিদ মহৌশা মাগী খংলেমন চিঙ্গু মাগী মথৌজান্ন মনিলশি অতুন লো ওইন তাবকলে নোংখা কুপ লকলে অখাক অবাও যাওবকলে নোংথাং লৈনগী অখাক অরাও অতুন লৈমাই থক্ত তাবকলবদ নিকলম্ব হাবম্ব পুম্ব লেপখ্রে। অকনব নোংগী ঈশিংন ইথবকতুন যত্তব লালৌগী চিং ওইকবব লৈগী চিং পুম্মক থুনহংখিতুন মৈ মুংখি। মৈ মুং খ্রবদ লাইনিথৌ অশিবন লাইযামগ লোইন্ন লৈশেম্ব লোইহৌনব

হোংনখি। অসুম্ন লৈশেমলবপন চক মতম কুইরংগী ভুদ লৈশেম্বগী তাংকক অম লোইশিনখি।

চিংঙু য়াইবিরেন শিদব [Source of Energy] গী চিংঙু মতিক অহকপ (Gravitation force) খোয়য়ুম ময়াই অরাব (Source of Light) বু লোখিত্নন চিংশিন্দ্রবদ লৈশেম্বগী থৌরন ময়াম লোয়শিনখি। লাইনি থৌ অশিবসু লৈবাক শিব লোইখিত্নন থিংলৌ নিকন তেন তপ্‌ন তপ্‌ন লাই মুরা লাই পাখং ময়ামগ লোইনন য়াইবিরেন শিদবগী মনাক্ত চখি।

লৈন লৈন মুংশিং নোংলৈগী মতৌ ঙম Nebullaগী মচ দ উরু-রু লৈত্নন লৈশিনলকপদগী শেমখিবনি হায়ত্নন নো লৈয়াং কৌরে কংব হায়নব মফমনি হায়ত্নন কংলা কৌরে। কংলা নোংলৈয়াংদ চিংঙু য়াইবিরেন শিদব কশা রাইনিংথৌন মপুং ওইব মরমন মতম অসিগী নিংথৌদি য়াইবিরেন শিদবনি হায়ন লৌনৈ। পোংচাক ময়ামগী ময়াইদ য়াইবিরেন ওইন য়াই নিংথৌ ওইখি। লৈশিরেন লৈপুনবিন লৈমরেন ওইন লৈন লৈন য়াইনিংথৌগী অকোয়বদ লৈত্নন লৈখি। মখোয় অনিগী মতিক ময়াইশিং অত্নন তৌরবপ থবক থৌরম থৌংশিং অত্নন মচা ওইন লৌরে।

মতম অশিদসু মালেম তাইবংপান লৈত্রি। থরাই পানব লৈতন মমা ওইবি মালেম কৌব য়াদে। কংলা নোংলৈয়াংদি Celecial গী ওইব মফমনি হৌজিক লৈরিব মলেনগী কংলা অসি নত্তে। Non Matter দগী Matter ময়াম ওইরকপ লৈচৌ নোংচৌরকপগী মতম অসিদ লৈবদি Celecial গী ওইব

Matter, Energy, Gravitation force, Lightning Trembling, Gravitation, Pool, Antimagnatic Flied, Supper Heavenly Body নচিংব ময়াম অসিন Natural Force ওইদুনা লৈবনি। ময়াম অসি মী ওইনা লৈব নত্তে. লাইগী মওংদ ওইনিংবদ ওইব শাইওন তৌদুনা মশাগী মওং হো দোক হোংজিন তৌদুনা লৈব মতমনি। ময়াম অসিন ঐখোয়বু ওইরকনবগী Sourceনি ইবুঙো কৌবদ করিস্তু কায়দে। হৌজিকস্তু মখোয়শিং অসিবু লাকশিনব ঙমদন অদুম লৈরি, মখোয়না তৌনিংবদ তৌদুনা লৈরি। মখোয়না ঐখোয়বু য়োকপিরি থাকপিরি, ঙাকপিরি শেনবিরি। মখোয়দ ঐখোয়গী অফব ফত্তব পুম্ব শিন্নদুনা লৈরি। মীওইবন মখোয়দ করিস্তু তৌব য়াদন লৈরি। অপিকপ Natural Forceশিংবুদি লাকশিনব. ঙমই, অচৌব Heavenly Body শিংগী Force শিংদি লাকঙম ফাঙমদন অদুম লৈরি। মখোয় অসিদি মতিক ময়াইন লাই ওইব, মগু মতৌন অঙকপ ওইব, থবক থৌরমন মহৌশা ওইবনি। কোহংকোগী চহিদি চাওরাকন চহি ১৮৮৮০০ নি। লৈবাক লৈমন লৈবাক পাম্বি ওইনা লৈহৌরকপ মতমনি।

কোহংকোগী চক মতম লোইরকলবদ চিংঙু য়াইবিরেন শিদবগী চিংঙু মতিক অহকপ খোয়য়ুন ময়াই অরাববু লোইখিদুনা, চিংঙু মতিক লৈরক্তুবদ খমনবগী থৌরাংলকলে। অঙকপ ওইনা চাওরব মশা অদু চাওমনখিবন কায়গদবগী মতম ঙাইদুনা লৈরকলে। মতম অসিমকতদ কোহংকোগী চক মতম লোইরদুনা থোইহংকোগী চক মতম হৌননব অতিংখম (Limitation

Power of unlimited space) কৌব থমগী মতম য়ৌরকলে। অতিংথমনা চিংঙু য়াইবিরেন শিদবগী চাওরব মশা অদু নিংথাই-হুন কায়রে। চিংঙু য়াইবিরেন শিদবন নিংথাইরবলবদ, লৈশিরেন লৈপুনবিস্থ মতম লোইরহুন কায়রে। মতম অসিদদি চিংঙুগী মতিক অহকপন চিংশিনবদগী ওইথিব অসিবস্থ চিংঙুগী মতিক লোইরবন লৈব য়ারক্রুহুন অহাংবদ পাইহুন লৈখ্রে। চিংনশিবনব কনা লৈতবন পুমচাই চাইন নিংথাইহুন লৈরে। ইচাই চাইন নিংথাই-হুন লৈরকলব পোৎচাক ময়ামদু ইমা লৈমরেনগী থৌজান মতুং ইনন লৈব হৌরকই। লৈব হৌরকপ মতম অসিদ মালেমদগী হেন্ন চাওব চিংজাও ময়ামন য়াইদ চংশিনখি। অস্থমন য়াইদ চংশিনলকলবদ হংরাবন নিকপ হাব অমুক হৌরকলে। নিকপ হাবন মরমচৎ ওইব হারাবন, মাগী মহৌশাগী ওইন হৈনরকপদগী নিকপ হাববু মহারব কৌরে। অস্থমন মহারবন মনিং তৌন হাবদ মুংজাও ময়ামন মুংগাঙ য়ৈনরকলে। মুংগাঙ য়ৈনবগী গোঙ গাঙ, খোঙ থাঙ, দোঙ দাঙ হায়ব মখোলন পুমনিন মিনখরে। থৌঙং থৌদো অসিবু মুঙগাং মহারাব কৌরে। মুংগাঙ য়ৈনবদ মুং অয়াম্ব ইফুন ওইন তুমলে। তুম্ব ওমদব মুংমু শিদব কৌব অমুব নোংপনমখৈ লৈহৌরে। মুংথৌ মুংঙৌশিংস্থ থৌহু মুং কৌন লেমহৌরে। অস্থম মুংগাঙ য়ৈনবদ মচেৎ লখা কয়া থোকন পুমতোই তোইন কাইরবদ অহাংবদ পাইহুন লৈরে। মায়ম অদুবু হারাবন নিকপগ হাবগ চিংবগ তৌবদ মপৈ চবুন ওইনা মথেক লৈরোং শাব, তুথুপ কিশি নাইব, তোরৈ তুথুপ মানব মথেক তরাগমরি ওইরকলে! মতম

অসিদ থোইহংকোগী থোইদোক হেন্দোকপ চক মতম য়েৌরকলে। নোংথৌ মরোল তরেং, লৈখারোন মরোল তরুক য়াইগ থারগ, অরাগমরিন নোংহৌরকপ মতমনি।

নোংহৌরকপগী থোইহংকো চক


থোইহংকোগী চক মতম য়েৌরকলে হারাবন চিংঙুগী থৌজান ফংলতুন চিংশিনব ঙমলকলে। চিংঙু ওইবগী মতিকন চিংঙু অরেপ্পব ওইন পুম্নমকপু চুকফা ওইন ফাজিনন্দুন লৈরকলে। পন্থৌ ওইখিব য়াইবিরেন শিদবগী মতৌবু খংলতুন য়োই য়াইদ লেন ওইন মঙাল চাওন লৈরকলে হায়তুন য়োইরেন পাখংব কৌরে। য়োইরেন পাখবন নিকপগ হাবগ চিংবগ তৌতুন লৈখারোন মরোল তরেংন ওইব কংলা থোন তরেংপু শেমলে কংলা থোন তরেংন ফম্বাল ওইরে। থোন তরেংকি থোনলাংমৈ (Southern 7 — Galazies) মথক্তা য়োইরেন পাখংবন ফম্বাল তোংলে। নোংথৌ মরোল তরেং (Upper 7 Galazies) না থাকন লৈনা তরেং ওইরে। তরেং অসি তরামরিগী য়াইদ য়োইরেন পাখংবন মুমিং চামগী মঙালবু হৈরে লংন ঙাম্ন চিংঙু অহকপবু ওইন খোয়য়ুম মঙাল অরাববু ওইন লাইনী নিংথৌ ওইন ঙানথোইরে। থাকন লৈনা তরেংকি মথক্থংব লৈনা অমন

লৈচিন নোংক্কাইগী মচু মানবন নোংমাইচিং কৌরে। থংনব লৈনা অমন অমুব নোংগী মপেগুম মমন মুন লৈবন নোংথৌবাব কৌবে। থংনব লৈনা অমন লৈম লৈহনবি লৈবাকলৈঁমগী মচু মানবনং লৈবাকপোকপ কৌরে। থংনব লৈনা অমন থবি শেনকোরবেন অপানবগী মমুম ওইব থবিযুমগী মচু মানবন নোংথৌ লাইগী মযুমনি হাযতুন যুনশকৈশ কৌরে। মথংদগী লৈনা অমন শঙাইশেন মচু মানবান শগোনলশেন কৌবে। মথংগী লৈনা অমন ইগী মচু মানব ইবাই কৌবে। তরেংস্নুব লৈনা অতুন কদেং নেংথাং লৈমন লৈচিন থো নেংনবদ কুযেং কাযেং ঙানবগুম তনিক্ তনিকুন কঞ্জে হাযতুনা থা জ কৌরেং। মুমিং তরেংনিগী নোংথৌ মবোল তবেংন থাকন লৈনা থরাক তবেং ওই, তকুপ, তরেংন কজব, নচু নবেংন লৈজেংব, নোংবৌব অমস্ব নোংথৌ মবোল তবেংন মুমিং শিবুম তবেং ওই, মুমিং লিশিং কযান মুমিং শিংবুম অম ওই, চিঙ্ মত্তিক অহকপগী নোংদমখোন (Result of revolving Galazy computer) নোংদম্বন তমখিববু, নোংদম নোংখাই-নকপদ লৈখাদম্ব তাখিদে তবংসু মাংখিদে লেপন কংব ওইনৈদো।

নমু পোংলৈকোন স্নুপথোইব, মালেম অইবংপান অঙানব, যাইবিবেনগী য়াইবিকোন নিংথিব, খুকম পুম্বগী খুকমলেন, য়োইরেন পাথংবগী কম্বাল থক কংলা থোন তরেংকি থোনলাংমৈ, লংন ঙাম উবিব কয়াগী মত্তিক কজব প্রুকনিং হুন কঞ্জেদো। হায়ঙমদুরে মকমনি পনকদব মঙনি, য়াইক থোইব মথৌনি, চিংঙুগী মত্তিক অহকপ থোয়মুমগী ময়াই অহেনব, য়াইক থৌজানব থৌওনি,

সুমিৎ চামগী মঙালবু হেন্না লংন ঙান্না থোকলিব চিঙু খোয়য়ুম ওইব মহাকনি, সুমিৎ লিশিংন থোগনব থাজ লখান থৌঙাইব, য়োইরেন পাখংবগী ফম্বালনি।

লৈখারোন ময়োল তরুকন (Southern 6 Galaxy) খম্বা মফমবু (১) খম্‌লৈকোনগী অমম্ব লৈরোন ওইরে। (২)



অঙিসুবদি লৈখাকোন পাকুথোইব কৌরে। (৩) সুবদি সান থবাকোন সুংঙাইব, মালৈকোন নিংথিব কৌরে। (৪) সুবন লৈছুং

কোনচিক অথোইব কৌরে। (৫) মুবন খুমন কোলেন য়াই কৌরে। (৬) মুবন সরায় মিখুলোন কৌরে।

য়োইরেন পাখংবগী মশানৌ য়াইখুতোন্ য়াইম্নান তরু তহেনবি মতারোই মিপালগ লোইম্ন শারেন ওই ওইম্ন লৈইন লৈইন লৈমরেন কম্বাল ওইরে। মহৌশা কৌবি ইমান শিনবু শিনহৈবি শিনলৈম বৌন মযম মতম মরম অছুমবু পুথোকুলকপ মতমদ মমোম (১) য়াইহনমু (২) য়াইখুরেম্বী (৩) যাইনিংতোন কৌব য়াই অছুমমকপু ফংলে। য়াইনিতোম্ন, য়াইখুতোন কৌন য়োইরেন পাখংবগী মশানৌ ওইখি। শায়েন ওই ওইম্ন (Rotating anti clockwise direction) লৈইব য়াইখুতোম্ন তরু তাহেনবি মতারোই নিপালগ লোইম্ন কৈমরেন ওইন ভাম্নোইরে।

য়োইরেন পাখংবগী য়াইবিকোম্দগী য়াই মরু ময়াম মশিং থিঙমদন পুথোকসে। য়াই খুদিংছু শিং মম্না তাদবন চাকহল্লে। মাফদব য়াই ওইবন চক্ মতম কুইন লৈখি। য়াই খুদিংন য়াইবি মরু শিদব (Source of Energy) ওইরে, য়োইমরেন তাওদন্ব ছুমিং মা খোমমাদোন অতোনব, চক্ মতম কুইন কোইলৌ মশেক হেনব মশিং য়াম্ন পুথোকলে। মশানৌ য়াইখুতোনগী খামু মহকশাংদগী লৈথোক্ য়াওদন শাংপ লৈ, মতম্ নাইদম খাংপ লৈ, পংথব খুইথব নাইদব লৈ, অমুক্তি শক্তিককুম লংব লৈ, ছুমিদাং থাবাগুম ভামব লৈ, লৈরাং লৈছুন তক্বাওম্বি, রাংন শাংপি রাঙমলোন, রাঙমলোন তক্বা পাম্নোইবিং লৈরাং শজাখী লৈশংলে (Green Star) না য়াইবি থরাই পানব পুম্বগী ছুনমম

লৈ মউ লিংদব লৈয়াং লৈখোক য়াওদববু মশিং খংদন পুখোকলে।

অস্তুম্ন পাকন চাওন তপন তপন লৈয়ব লৈময়েনগী থৌজান্দগী হায়াবন য়োই য়াইদ চংখিত্নুন, শিং ময়া তাদব, লৈ মউ লিংদব, হি মক; য়াই মক পুথোক্লুন চিংঙু খোয়য়ুম ওইববু খ ন, পঙ্গো ওইব য়াইবিয়েন শিদবগী মহুৎ মবেং শিন্নখি। য়োইবেন পাখংব কৌন মতিক ময়াই অহেনববু পুথোক্লুন নি থৌ ওইন পানখি।

মতম তাঙ্গা অসিদ চিংঙুগী মতিক হেনগৎলকলে। চিংঙুগী মত্তিকন হুকমনখিব [Strong Gravitation Force] ন অত্তিংঙা ওমথৈ লৈতবদ লৈকব অশিবস্থ তমুক হল্লকলে। লৈবাক শিব অশিবন লৈলাক লৈচাও [Metioric and Astroloid] ময়াম পুরক্লুন লৈখাই থুগাইব পিরবে। মতাং অসিদ ময়োন চোংলকনবগী মক লেম্ফু ওইবিব যোইবেন পাখ ববু শোক্লুনব কদেং নোংথাং লৈমন খৌ চোংবগুম চোংলকলে। য়াইখুতোন য়াইস্নান মতায়োই নিপালগ লোইন্ন থাবল লিয়োন শকপগুম খুংশম্নন থৎলে। অস্তুমন লৈবাক শিব অশিবন লৈবাক শিজিনলকপ পুম্ববু লাই-রেম্বি মাপলন থৎলবদ চংব ওমগ্রে। মমৈথংদ অশিবন অকনব শাফুগ লোইন্ন চংশিনলকপদ মথক মখা ওনগদবগুম চেপলকলে। মতৌ অসিদ য়োইবেন পাখংবগী থাংলেন ময়া তাথোব, কুফেৎ মিরাৎ থাং, মনিলদন তুমহনব থাংলেন হায়কুপ হায়বদ ময়া লিশিং পানবা থাং (Celecial Energy Atomic Power) বু মশাকগী পুথোক্লকুলে। মনিল মৈশা অতুন লৈরক শিজিনলকুপ পম্ম তনহনগ্রে। অশিবগী থৌওং পুম্ব মাংহনখিত্নুন অরেম্ব ওইরে।

থৌরম লৈশ্রব অশিবন অহাংব অতিংঙাদ তিনখি। তরং মালং ওইব অহাংবদ য়োইয়েন পাখংবন অশিববু করি তৌব য়াদন লৈহৌই। অস্রুমন অহাংবদগী ওইরকপ ঙম্ব, অহাংবদ অমুক তিনখিব ঙম্ব মতিক, ময়াই ওইনদমক, লৈব অশিববু লাইঁা নিংথৌ লাইনিংথৌ কৌথি।

য়োইরেন পাখংবন কোইলৌ (Radius or Centre of Planets Jamity with gravity string) মশিং খিঙমদন পুথোকলবদ (১) কোইলৌ অহন (২) কোইলৌ য়াইম (৩) কোই-লৌ মুমিং স্না খোমমদোন অতোনব কোব মখল অহুব থোকলে। য়োইমরেন তাঙদনব কৌন নোংখোং (Planet) ময়ামগী য়াইদ তাওহুন লৈরে। স্না য়াইরংচান কৌন য়াইদ লংন ঙাম্ন থোকলে। মশাবি য়াইখুতোন য়াইস্নান লৈরাং লৈখোক য়াওদব অহাংবদ তাও-হুন লৈব মখল্ মথেলগী নোংখোং (Planet) ময়াম পুথোকলে। অস্রুমন লৈরকপন কোইলৌ মশেক্ হেনলকলে, লৈরাং লৈশং মতৌ মানবিশিংস্থ মামা ওইবি মালেম ওইব য়ারকলবদ্ থোইহং-কোগী চক্ মতম লোইরক্লে। চহি ১৭০০০০ ৭৭০০০ শুরবদ য়োইরেন পাখংবন মশাগী মতিক ময়াই লোইরিহুন মশাবি য়াইখু-তোনগা লোইম্ন অহাংবদা তিনখি। য়োইরেন পাখংবন লৈত্রবদ থোইহংকোগী চক্ মতম লোইখি।

লৈশেমলোনগী শক্তম খর

ঐখোয়গী লৈশেমলোন্দি Nebulla theory অমসুং Big ban theory অনিগী অপুনব শকতমনি। লৈশেমলোনবু পাও-দমবদ মথল কয়ামরুম থোকন পাওদমখি। (১) Scientific Reasoning দা য়ুমফম ওইরগ পাওদমব লৈশেমলোন,(২) জগোই ইশৈদ য়ুমফম ওইরগ তাকপ লৈশেমলোন, (৩) লাইনিং লাইশোনগী মি থৈ-ন য়ুমফম ওইরগ তাকপ লৈশেমলোন, ৪) মাইব মাইবিগী লাইরোন তিললোন্দ য়ুমফম ওইব লৈশেমলোন,[৫]পেনা লাইরোগী শৈহেকশিদাদ শৈশকপ লৈশেমলোন, (৬) রারেং শৈরেংগী মওংদ চানব য়েংহুন ইথিব লৈশেমলোন, (৭) লিলাগী মওংদ শেমদোকলব লৈশেমলোন। অসুমন মাগী মাগী হৈনব মওংদ ইচেন কায়দন পুথোকলকপদ মান্নদব খর লৈফম থোকই। মী মথল য়াম্বন পুকনিংগী অপেনব ওইব থাজ-বগী মওং মতৌশু মান্নদে। অসিগুম্ব ময়াম অসি লৈবন লৈশেমলোনগী তোংগান তোংগানব শকতম ময়াম উব ফংলকই। হৌজিক্কি মতমদদি Sciencenা য়ুমফম ওইরবদি মতমগী অগাংশিংন থাজরে। ওইথোকপ রারি ওইন লৌনরকলে। থা কান্নব মতম অসিদ Scientific Reasoning য়াওরবদি রারি অসি লিবদ অরুব মতাং ঊম ওইরকলে অসিগুম্ব অরুব মতম অসিদ Scientific reasoningগী লৈশেমলোন

অসি য়াম্ন মরু ওই। লাইরিক লাইশু হৈবন মশিং হেনগৎলকপন চাহি মঙা তরাগী মতুংদন হেন্ন মরু ওইরকখিগনি।

লৈবাক লৈমন লৈবাক পাম্বিশুম লৈহৌরকপদ লৈথক লৈখা-রোনগী মরোল তরামন্নি শেমখিবনি। থাগী লৈবাকন তোংঙানদে, planet ময়ামগী লৈবাকস্মু অতোপ্প নত্তে। তোংঙান্ন লৈখিবন মান্নদন উবনি। নোংথৌ মরোল তরেৎস্মু পোৎচাক অমতন ওইখিবনি। মুমিৎকুম্ব থরানমিচাক ময়ামস্মু মান্নব পোৎচাকন ওইখিবনি।


য়েলহৌঙৈগী তয়ো হংকো চক

তয়ো হ কোগী চক মতম য়োৎদম্লবদ কোইলৌহনব, কোইলৌ-য়াইমব, কোলৌ মুমিৎস্না খোমমাদোন অতোনব মচিন মনাও অহুমন তেংবান (Universe) অসিগী মফম খুদিংদ লৈখি। কংলা থোনগী, থোনলাং (Galaxy) খুদিংদ বৌইলৌ মশিং খিঙমদ, লৈম মশিং লাকৃডমদন লৈবকলে। মফম মফম খুদিংদ য়োইমরেন তাওদনব কৌন, লৈম (Rotating Body) ময়ামগী য়োই য়াইদ লৈরগ, অহাংবদ তাওহুন লৈখি। কোইলৌ (Radius of many circle or centre of planets family with gravity string) বৌন লৈম ময়ামগী য়াইদ চুকফা ওইন ফাহুন লৈখি।

যাইবংচান কৌন লৈম ময়ামগী মোই যাইদ শংন ভাম লৈখি। লৈম ময়ামগী মবক্ত লেন্ ওইবিশিংন লৈমবেন ওইখি। অসুমন তযো হংকোশী, চক অসিদ যোইমবেন তাওদনব, কোইলো মশেক্ হেনব, নুমিৎ যাইরংচাননা নি থৌ ওইন পানখি। লৈমলক্তগী অথোইবি কয়ান লৈমবেন ওইন পানখি। কোইলো ময়াম অসিন তুখোংশুম যামখিবন থরানমিচাক্ ময়াম ওইখি। থরান মিচাক চবুন চবুম নোংথৌ মবোল লৈখারোন মবোল ওইথিত্তুন তে বানব (Universe) অসি ওইখিনি। তেংবানব (Universe) অসিদি মবোল তবামখিনি। নোংথৌ মবোল তরেৎ (Upper 7 Galaxies) লৈখাবোন মবোল তরুক (Southern 6-Galaxies) কি ময়াইদা মালেম তাইব পান শুপথোইব নিংথৌ (নোংথৌ) তুরেল কৌব মবোল অসি লৈ। নিংথৌ (নোংথৌ) তুরেল কৌব মবোল অত্তুগী মতাই অমদ ঐখোযন লৈরিব মালেম তাইব পান অসি লৈ। মালেম তাইব পান অসিদ থোকলিব কোইলো অসিদি কোইলো নুমিৎ মমা খোমমদোন অতোনব কৌব পিকলপ তৌব নুমিৎনি। লৈম শংকুরে, নিংথিবি, লৈচিম খ্বাংচেৎ ওইবি, ঈশি ন ফিশেৎ লৈতে বি, রাঙমলোন তম্ফা পাম্মোইবিন শমু ওই ওইম (Rotating anti clockwise) লৈইন লৈইন লৈমরেন ওইন লৈখি। লৈম (Planet) নিপালগ লোইম্ম তম্ফা পাম্মোইবিন লৈমবেন ওইখি। লৈম নিপালগী মমুংদ নোংতরেন অহেনবিগ মতারোই অমগদি শরেন য়েৎলোম (Rotating clock Wise direction) দ লৈইন লৈখি। রাঙমলোন তম্ফা পাম্মোইবি

(Earth) না বাইকৈ কারল মিপাল (8 Angles) পুথোবলে, পাস্থোইবি মিপাল লৈহল্লে। [১] চি খৈ পাস্থোইবি, (২) নোংপোক পাস্থোইবি, (৩) মৈরম পাস্থোইবি, (৪) খাদ লৈবি পাস্থোইবি, [৫] অয়াংলৈম পাস্থোইবি, [৬] থুখেন লৈম পাস্থোইবি, [৭] কৌক পাস্থোইবি, [৮] মাবাজংদ্ব লৈবি পাস্থোইবি হায়ত্থুন নমি থোল্লে। তম্ফা পাস্থোইবিদি চিঙ্খ্ মবিন চুকফা ওইন যাথুন হেন্দোকপ যাদন থম্নই। চুক ওইব চিংঙ্খ্ [Heavenly Body having strong gravity Force] মবিদি অমন [illegible] [pole star] নি, অমন বাংফুলেন (south star] নি, অমন কোইরৌ মুমিংনি, অমদি নিংথৌ তুবেনগী যাইদলৈব য়োইরেন পাখংবন কোইলৌ মুমিংক লোইম্ন ফাব চুকফানি। চুক নরি অসিন চুকফা ওইন কল্প যাবদগী লৈবদি যাব পাইথোবখিবদি যাদব মণ্ড দ পানশিন্দুন থমখি হায়থুন পাস্থোইবি কৌখি।


POLE STAR



SOUTH STAR

রাওম্লোন তম্ফ পাস্থোইবিন খাব লমকেৎপ, অমাই লমহেনব, অরং খোইমুচাগ পায়থুন নোংমদোম থাজ পাখংব, থবি শেনকোয়রেন অপানবথু পোকলে। অসুমন লৈরকপন কোইলৌ মশেক মণ্ডালন ওইথিব নোংপোক অপানব কৌব, মণ্ডাল যাইবি

শিঙ্গব [Light Energy] গী মতিক ময়াই ওইব, মৈশা য়াইবি [Heat Energy] শু য়াওব অঙানব শুমিংকি মঙালগা অমুক তিন্নখি। অসিগুম্বা মওং অসিদা তম্ফা পাম্বোইবিগী তংখাই অমন খাবগী ওইত্বুন অমমব ওইখি, তংখাই অমন অপানবগী অঙানব ওইখিত্বুন, অমম অঙান খাযখি। নোং ঙানব শুমিং তাব নাই-রক্কুন নোংম নোংম হাযবত্ব লৈরকখি। অস্তুম লৈবকপ অসিবু নোংখোং [Heavenly Body having day & night] কৌনখি।



তম্ফা পাম্বোইবিবু নোংপোক অপানবন, অযাঙ্কপ অখাব মিংয়েংন য়েংলকলবদ, অচুম্ব চংপি ঈপাক ওইন লৈবি ঈরৈমন

লৈব ভুমদবদগী নোংথক্তা পাইখৎলগ লৈখি। থাব লমকেৎপন চিংঙু পাঙ্গলব কৌম মুমিং নোংলৈগ লোইস্ন হুনলকলবদ নোংথাংগ লোইস নোং তাবকখি। নোংগী ঈশিংন নমথক শরোনপুং ময়াই শুধদো পান কৌব লৈবাক লৈথোইরেনগী কংফাল পাকথোইব মফম অমদ অডকপ অসরু ওইরকলে। য়াই মক্ল শিন্দবন য়াইবিরেনগী মতৌশুম মুমিংকী অকনাদগী কুসথগ্রে। য়াই মরু পুম্ব লৈবাক্ হুন্দোক্লুন চাইথোকলে। তেংবানবগী মপু শিন্দবগী য়াইকোনমদগী মাংফদব য়াই ওংবন অডকপ ওইনরে। য়াই থুনিন শলৈতোন পাথংব ওইন শাইওনলে। ঈশিংন ককুপ পেকনকলে, লৈকনা ঈশং লৈবকলে, লাইজ ঈবোকনুদ চবাং হৌরকলে। ককুপন কংজাও, কজাওন কংগা, কম্বোংদগী হুপলা, হুপলাদগী উরেন, উবেন্দগী পাংখোক পাখোক্তগী য়েন্দেম, য়েন্দেমদগী হোংঙু ওইন মথং মথং শাইওনলকলে। ঈশি মতুংদ লৈব য়াব পাশি অয়াম্ব হৌরকলে। লৈবাক লৈকংদা নাপি শিংবি উপাল ব্রাপাল পুম্নমক লৈরকলে। অসুমন লৈম শকুবেং নিংথিবিন পুম্নমক্কি মামা ওইনি মালেম লৈম নিংথিবি ওইখি। মালেম লৈম নিথিবি ওইখিব অসিবু তেংবানব (Universe) অসিদ লাইয়াম (Celecial) গী ওগ্ন তৈনব তায়োম্নবা ওইন থোকখ্রে। তায়োম্নব চক অসিবু তয়ো হংকো কৌখি।

লাইয়াম (Celecial) গা মায়দব পোকপ শিব নাইব চাব থকপন মথৌ ওইব, ছাদ থক্তন লৈব ভুমদব, অশং অমান নাপি শিংবি ময়ামগী মামা ওইরে। চাব থকপন মথৌ ওইব, হিংবন

লাইনিং ওইব, অরা অনাগী চৈথেং পোংলুম ওইব, লাইগী মতিক মখাই চেন্দব মচা ময়াম পোকই হায়দুনা লৈমা শকুবং মাঙেং ইমাবু লৈমরেন নামুবি কৌনা লাইয়াম্বা ইঙ্গোংখি। লাইয়াম্বা ইঙ্গোকলবি লৈমরেন নামুবি মালেম ইমান লাইবংলেন্দ তিনবা যাম্রবদ যাম্না য়ান লৈখি। মচা ময়ামগী চান থকনবস্তু হোৎনৈ। তেংবানবগী মপু শিদবন পিবকপ থৌদাস্থ কাবব যাদে। মশাবি হুমিৎ য়া খোংদোন অতোনবগী মনি থুনবস্থ হোৎনৈ। মালেম ইমান মচাশিংবু মতম্বাক্ত (Valley) পমত্তুন খোমলা ওইব লাইজ ঈবিক পিথকই। মনমদ (Hilley) পোহ্নন য়োইনবেন তাওদনবর্বু ওই ওইনন কোইবস্থ নেপতে। লাইয়াম্বা ইঙ্গোকলবি লৈমরেন নামুংবি মালেম ইমান মচা ময়াবু য়েকদ কমগী মতিক বাজবা ইকাই হুংশি যামন পিবা শিন্থব লেপখদে। তেংবানবগী মপু শিদবন য়েব ঙমলক্তুহন মহৌশা লাই বম্বিদ মালেম ইমাগী মচা ময়ামবু যোকলু হায়ন থৌদখি। মহৌশা লাইরেম্বিন মহৌশাগী ওইব নৈ ঈশিং হুংশ অহনু মতম চান চন পিবদ মালেম ইমান মচাশিংবু অবাব লৈতন যোবখি। য়োইনবেন তাওদনব হুমিৎ হ্মাইরংচানন মঙাল মৈশাগী অবাৎপ লৈতব ময়াইবু পিনবগী-দমক চিঙু অরেপ্প ওইন থৌজাল য়াইবি মরা কাইন পিরকখি। থাব লমকেৎপ তবং খোইম্নচান, চিঙু পাঙ্গলব কৌন অবাৎপ লৈতন মালংব হুংশিংপু পিরকখি।

য়াঙম অথাপ্প শবাং অতাম্বদ লৈব অম্বাং নোংনিংথৌন লাইচি মরিম্বগী চিংশিন্দুন থৌজাল লাইজ ঈবিক খিকথবিবকখি।

মতৌ অসুমন তেংবানবগী মপু শিদবগী থৌজান্দগী মালেম ইমাগী অরাবু পুম্ব কোকহনখি। লৈম শংকুরেং নিংথিবিগী নচা অশং অনান নাপি শিংবি ময়াম অদুম্ব মুংঙাই য়াইফ য়াইবি মরাং কাইন মরেক মহাও থোকন লৈখি। হিংববু লাইনি ওইন্ন নিংব ম্রেন ময়াম্ম নিংজব পুম্ব থুলবদ য়েননিং চো লকখি। হবাও তয়াম্ম হাইন হুম্ন মকা লামন লৈখি। তেংবানবগী মপু শিদবন মখোয়বু, চাবগী মথৌ ওইন, থৌশিন থৌদাবকখি, হি বন লাইনিং ওইনখি। চাবগী মথৌ তৌত্রবদি, মথৌ লোইহুন শিব ওইনখি। অসুমন য়েন ময়াম্ম য়েলহৌরকপবু য়েলহৌঙৈ কৌখি। য়েলহৌঙৈগী চকপু তাইয়োনব লাই (celecial) গা মান্নদব চক তয়ো হংকো চক কৌখি।

তয়োহ কোগী চক অসিদা য়াইবিবেন শিদংগী হিমক য়াইমক ময়াম্ম হুনিংকী অকলাদগী কুমথরক্কুন তম্ফা পাম্থোইবী লৈবাক লেখোয়রেন্দ পাবন চাঙন মক পুম্ব চাইথোকখি। মাংফদব মরু খুদিংন শ লৈতোন পাখংব কৌন য়েম্লিং মতোন চোংলকখি। য়েম্লিং ময়াম্ম পুমশং শংলবদ তম্ফা পাম্থোইবীবু, লৈম শংবুরেং অশংবি তবা য়েম্লিং থাকন য়েনশৌবী, শাইগংদন শাইচোংপি কৌখি। লৈম শংকুরেং অশ বিবু অশং অমান নাপি শিবি ময়ামগী মামা ওইরে হায়হুনা মালেম কৌরে। মালেমগী মচাশিংহু লাই(ce-lecial) গা মান্নদব চাবগী মথৌ ওইবন, লৈমরেন নামুংবি কৌন লাইয়ামগ মান্নদব লৈমরেন ওইরকখি। য়েলহৌরকই হায়হুন য়েলহৌঙৈ, তাইয়োনব চকনি হায়হুন তয়ো হংকো চক কৌখি।

অসুমন লৈরক্কুপন তয়োহংকোগী চক অসিদ য়াইবিরেন

শিদবগী য়াইদগী ওইখিব য়াইবি মরু শিদবন য়াইবি মথল কয়া অমস্তু পুথোকলকলে। য়াইবিশিং অতুগী হকচাং কয়াং শুদবন লেংব ওৎপ ঙমদে, থৱাই (Function of Brain) য়াওদবন তৌব ঙম্বগী মতিক উৎপ ঙমদে। য়াইবিশিং অতু মরুম মরুম শৌব পোৎকুমন লৈথি। মখোয়শিং অতু লে.দব পোৎকুম লৈরবস্তু য়াইবিগী ময়াই অতুদি য়াওই। মুংশাগী মঙালন মখোয়বু হিংনবগী পাম্বৈ ওইব, ঈশিং মুংশিংন মখোয়বু হিংবদ মতেং পাংব, লৈবাক্তগী মহি মচুম থক্তুন হিংব য়াইবি য়াওব পোৎ মথল অমগুম মতম কুইন লৈরকথি। মখোয়শিং অসিবু কয়াৎ (Cell) ওইদমক লৈব কাশা য়াইবি (In Organic Form) কৌনখি। মতমগী মতু ইন্ন কয়াৎশিং অতুগী মরক্তগী হেন্ন চাওব মথল খরস্তু থোকলকখি।

অস্তুমন লৈরকপন তয়োহ.কোগী চক লোইরকলবদ লৈমরেন শিদবি (Revolving Galaxies) গী থবক্তগী থৌজান অমা ওইরকলে। নোংথৌ মরোল তরেং (Upper 7 Galaxies) না চিংঙ (Gravity) ওইন চিংলগ লৈমরেন্ন লৈয়বদ অঙক্‌প মতিক অমবু থোকলকলে। মতিক অতুদি অহাংব অতিয়াদ মশক উদন শিব নাইদন লৈব ঙমই হায়ত্বুন অতিয়া শিদব কৌরে। অতিয় শিদবগী থবক্তি য়াইবি য়াওব অহিংব পোৎশিংবু কৌবনি। মহাক অরেম্ন লৈতন কৌই হায়ত্বুন কৌবরেন কৌথি। অস্তুমন কৌবগী মরু লেম্ফ মরু ওইন লৈ হায়ত্বুন অতিয়া শিদবব কৌক্ত কৌরে কৌক্তন অহাংব অতিয়াদ কৌবরেন ওইন অরেম্ন লৈক্তন কৌরক লবদ য়াইবিদমক ওইব অশিক্তপ মহিকশিং অতুগী মকোক্ত রাথ

পোকলকলে। রাথল পোকলকলবদ লেব ওৎপ পামলকলে। অপাম্ব অহুগী মতুং ইম্ন তপ্‌ন তপ্‌ন লেব ওংপ হৌরকলে। অহুবু কয়াং শুদবন চংপদি ঙমদে। অহুম্ন থরাই মপুং ফাদব য়াইবি মচং ওইব তিপ মথন থব লৈবকখি। কৌবরেম্ন অবেম্প লৈতন রাথপ ওইন কৌরকপগ চংনিংবগী পাথলন যাইবি পুম্ন লা তকনবে লা তকনরবম্ন কযাং লৈতবন চংপ ঙমদবদগী অবেম্প ওইবনন নৌমু ওইন রাথলবু থানলে। অহুবু চংনিংবগী ইথিল অহুন লনখিং ওইগন অবেম্প লৈতন লেংব ওংপ হাইব হুম্বদগী থা তিং কৌব থাব চিংবগী মথৌ মঙম অম পিবকলে। থাংবগী মথৌ মঙম অহুন খো চং নাইব অতিযাগী পোং (Planet) মযাম অহুগী মথৌ মঙম অহুন ওইখিবনি। মথোইগী খোংচংকি Electronic wave অহুন মশাদ যাওহুন চংপ মতমদ মশাদ যাওবিব Electronশিং অহুন থবক ওইন তৌবকখি। থবক অহুবু থাংব চিংব থাংজিং বৌখি। অমুম্ন অবেম্প লৈতন লেংব ওংপ থাংব চিংবগী বয়াং লৈরবখি। যাইবি ওইব মহিবশিংদ থরাইমু লৈবে কযাংমু শাগ্লে। অসুমন যাইবি থবাই পানবশিংন মমি তমলকলবদ চহি ১৬০৬৬০০ শুরহুন তযো হ কোগী চক মতম লোইখি।

মিহৌরোনগী পয়োহংকো চক

অতিয়া শিদবন কৌবরেল বৌব মরু ওইন, অহাংবা অতিয়াদগী অরেপ লৈতন কৌবকলবদ, লাইনিংথৌ পাখংব অনিন

শাওহং পাওবংচখি। অতিয়া শিদবন মালেমদ য়াইবি থরাই পানং শেম্মু হায়ন পাওতাক পিরকখি। লাইনিংথৌ-পাখংব অনিস্থু হরাওনখোয়ানখি। চিঙু খোয়য়ুম ওইব মচিন মনাও অনিনা মৈ তব ঈশিং তরং মু শিংতবং কৌব তরং অছুনবু কাওবেন শন অঙাওং শেনবগুম শেনলকলবদ তিললিবেন পোকখি। তিললিরেনবু খায়ই রেন ওইন খায়দোক্তুন মথল মংেল ওইন পুথোকখি। খায়ইরেনবু ইতাইরেন ওইন তোংন তিন্নহন্দুন তাওবোই লাই ওইনখি তাওরোই লাইবু লিনতাশা ওইহন্দুন মচা মশু শন্দোবহনখি। লিনতা শাংবু খোয়রি শিদব কৌনখি। খোযরি শিদবন মালেমদ থরাই পানব ওইন খোংদারকনবগীদমক খোযরি নাওফম পুথোকলে খোয়রেন কৌন পুন্সিগী অবোইব মতমবু সু লৈহনখ্রে। অসিগুম্ন ওইখিব খিবিক ইমা লৈমরেন শিদবিগী মথৌঙান্দগী ওইখিবনি হায়ববু খলবদ অকোং তংতবি অরাই কদবি তংপ খম্ব লৈতবি ইশানি হায়নখি। ইমা মহাকন হিংববু লাইনিং ওইন মচাশিংদ নিংহনবিরবদ হিং-নি-হি-লিং হাযব মিংথৈ মিংল্লেনবু শকন শোম্মনখিরে। হিংলিব থুদিন হিংববু লাইনিং ওইন নিংনখি, হিংলম্ব থুদিন মশাগী মতিক মযাইবু মরু চারা ওইন লিংথোকলম্বদগী মালেম তাইবংপান অসিদ য়াইবি থরাই উব ফংলিবনি। হিংববু নিংত্রব মহাক অহুদি মালেম তাইবংপান অসিদ লৈরব য়াত্রবনি, মহাকি শাগে শলাইন্থু মুথৎশগদবনি।

লাইনিংথৌন লাইজ ঈশিংবু নিংব লাইনিংথৌ ওইবিরে লাইনিংথৌন লাইজ ঈশিংগী চেনগুম কুমাংশিংগী মরুম থুদি

ইগী ইবম তরেং ওইন ইচেন নাইন চেলকলে। হিংবব্ লাইনিং ওইন থরাই পানব খুদিংম্ নিংছনবিরে। অরাম্ব থৌরাংব চা-নিংব থকনিংব পোকপকলে। চানিংব পুম্ব চাকবদগী হিংবব্ লাইনিং ওইন নিংখিহুন, হিংনবগী লানফমদ য়াওরে। পাখংবন শিংলি ওইন লৈবিহুন মচা মশু লৈনবব্ তাকপিরে। মচা লৈরবদ মপি মপা ওইংকলে, চাদ নৌদ শন্দোকলে। তৎপ থম্ব লৈতরে, কোংব শাংব লৈতন পোকপবদ মচা ময়াম্ন পুমথন থনখ্রে।

অমুম্ন য়াইবি থরাই পানব হকচাং কয়াৎ ময়াম মশিং থিওমদন মমি তমলকলে। মওং মান্নদব শাঙা উচেক রায়া, মখল মথেন মশিং লাকওমদন লৈরকলে। মখোয় মখোয়গী মচা মশু ময়াম্ন মালেম পুম্ব পুমংন থম্ন লৈরকলে। অসিগুম্ব য়াইবি থরাই পানব ময়াম্ন মমি তমলক্কন মপি মপা ওইরকপ চক অসিব্ মিহৌরোনগী পয়োহ কো কে কৌনথি। চক অসিদ য়াইবি থরাই পুম্ব ওইরকতুন মথং মথং শমথি। মতম অসিদমু থরাই পানবশিংন থরাই মপুং ফাদন য়াইবি মরাং বাইদবন হকচাং কয়াৎ মওং চুমদবন মপুং ফাব ওমদন লৈরি।

য়াইবি মখল মঙান মপুং ফারকপ

য়াইবিবুর (Root/source of Energy) ম য়াইপি (Generetor of Energy) শেমলে। য়াইবিন (Energy) মখল মঙা পুথোকলে। ময়াই মঙা অমুব্.. য়াইবি মঙা কৌনবে।

মথোইগী তোংঙান তোংঙানব থবক থোৌরম লৈবনলে। মৈশা য়াইবি (Heat Energy) ন কয়াংশিংদ মৈশা পিবে। খোঙ্গেল য়াইবি (Sound Energy) ন য়ারা খোঙ্গেল থোকহল্লে। মঙাল য়াইবি (Light Energy) ন মবেপ মঙাল চাংহনলে, চাংব লেপতম ফাহনলে। মতিক যাইবি (Power Energy) ন শাম্মা পাঙ্গল পিবলে, তৌব ঙম্ব উংলবলে।

য়াইবু পোকপি যাইপি (Generator of Energy)ন যাইবু য়োকপি ওইবরে, হিংবগী মযাই (Axistance power) পিবলে, অহিংব কয়াং ওইনল্লে। হবাওবে তযানলো যাইবি মবাং হৌবকলে। মুংঙাই য়াইফ যাইবি মরাং কাইংকলে। শিদযাই নাদযাই ফ বঙম য়াইফ থোইব থৌজান ফংনবে।

থবাই মখল মঙান মথৌ তৌরকপ

নোংথৌ (Celecial) মরোল তবেং (7-Galaxies) গী চিঙ্ (Gravitation force) মতিক অথকপন মিরেন ওইন অহাংব অতিয়াদ, অতিয়া শিদব কৌন কৌবকপদ, বৌব মরু কৌক্ক ওইগ্রে। মিরেন ওইন বৌব লেপতব কৌবেন ওইনরে। মিরেন অহুন শমু হকচাং কয়াংপু থৌরবদ থবাই কৌনরে। থবাই হকচাং কয়াংপু থৌববদ, থৌন-ন-বা রাইব ওইরে। থবাইদি কনাদগী রাইবনো থিনরকপদ লোংথৌ ইপাদগী রাইব ওইরমলে।

(১) নোংথৌইপ (Celecial)গী চিঙ্খৎ মতিক তহকপ (Gravitation force) না অহাংবা অতিয়াদা অতিয়া শিদবা বৌন লৈবে। অতোয়া শিদবন পিশু আমগী নরক্ত নোংদম নোংখাইবংগে। নোংদম্ব নৌব লাংনা চাইবক্ত যেবংস্ব চাইযেক্কি মতুং ইন্না নোংখাই কপা মফমন হৈতংবু ওইবকলে। মতমন নবম কয়া ওইহন লক্তুংন তৌদবা যাংবা থক থৌবম নযা পুখোকলে। তে দব যাংবা থনক থৌবম কয়া অতুবু থরাই পানবশিদ লিবকলে। অমুমন থাই পানবশিবু মচাং অনমন পান্দুন শাথৌবকংবদ ররম ক। থোকলনলে। রাগম পুদ তু থক ওইনা পা থোকনব হোংনদ রানবগী নবন ওইনবে। থর ই নাদ হৌংবু বানব শিনব ওইবে হায়দুনা হকচাংন পুক্লিং ওইন খোয়শাওবে। (২) পুক্লি দি মাংমন চি শিনবদ চি শিনবগী পাঙল অতুন খোযদোদ যাওংকদ অনিব অম থেকনাংই। থোকলকলিব অনব অতুব পুক্লি কৌনবে। হকচা দি মালেমগী পোংচাক মযামন শেমখিবনি, খোযদোদি হকচাগী মথোমা খোযদোন হকচাংগী যনংদ তৌই, হকচাংগী যনবস্থ মহাক্ত থই হকচাগী মানব তৌবকলবদি মহাক্র পুক্লিং ওইন বাকংলি। মহাক্তি কল্লক কমডাওই, ম ডাইখোকপ পামইঙ চানি ব চাগদবনি, থকনি ব থক্কদবনি, তুমনি বস্থ তুম দবনি অহু নপ্রবদি খোযদোন খোযশওই অহুং, থবাইন মথৌ তৌনবগীদমক শাথৌবকলবদ হকচাগী মানতাকনব ওইরে হায়ন পুক্লিন রাকংলে। রাকংপন্ দাবিত্রবদ খোয়দোন খোযশাওরে খোযদোন খোযশাওবকলবদ থমোইন রাজবে।

(৩) থম্মোইদি যাইবিনি, শাইবিদি যাইবিবেনদগীনি। যাইবি ইথ্রমন্দন মাংলগাদ্র, যাইবি ঐদি তাথোৎপা অনে বা মু শিবব পানজবনি। যাইবি ঐবু মাংখদে পাঙ্গল ঐবু চোংথবে মযাই মঙা মাংখিগদোরে হা ন থম্মোইন পাওহং পাওবংচবে। (৪) পুক্নি থম্মোই অনিগী বাংৎপু ভাবদ অয যম্বা খন্দোক খনজিন তৌবগলে, বাখল কৌনবে। ব্রাখলদি থবানমিচাক শিদব (Pole-star)-ন কৌব মক কৌব্রু কৌন চিঙু (Gravity) লেদব ওইন লৈবগা লাবাই লেখ্রদ কৌবকলবদ বাখল থোকখি। বাখল শিংকলবদ মং অম লাক্রে। ব্রাখলগী মতে ন থম্মোইন পুক্নি বু থেমজবে। "হবাই মাব্রু লাননদে যাইবি ঐস্নু না কদে" হায়ন থমলবদ পুন্নিংন, উনবি পুক্নি ওইন ইথখি। (৫) চিংখু [North Polc] ন কৌববেন কৌন লুখমদ অবেপ্প লৈভন কৌংক লংদ থংব মখল মঙাবু পুথোকপে। পাখ বন শি লি ওইন লৈবদগী অচানবব্রু মিৎত চহন্দুন উহল্লে। মুংশিংপু নাতোন্দ চনহন্দুন মনম খ হল্লে। থোঙ্গেল মখল মযাম্বু নাকোংদ য়ৈববদ মখোল তাহল্লে। উনশা খুদিংদ ইগী ইচেম্ন চেনবদগী শোকপ পনবব্রু খ হল্লে। থংব মখল মঙাব্রুসু লৌশিনব ঙমলকলবদ হৈরকলে শি লকলে হাবহুন লৌশি কীনখ্র। থরাই মপু ফাবকলে, মিবেল মযেক শেংলকলে। থব্রাই অচব মিবেল অচব লৈরকলে।

শেনম্রেং কুপম্রেং (Atom) ন মুমিৎকি মঙাল ফংবদ মথোল ওইব য়াইবি শেম্রলকই। মকোল ওইব য়াইবি অহুদগী কাশা য়াইবি (In organic form) ওইব্রকই। কাশা য়াইবিদি কযাং অমতম্রক

লৈব য়াইবিনি। লেংব ওংপ ঙমদে মমিংন ওইন লৈব য়াইবি মথল অমনি। কাশা য়াইবিদগী থৱাই হকচাং য়াওব য়াইবি ওইরকই। লেংব ওংপ ঙমলকই থৱাই মচেং ওইব হকচাং মপুং ফাদব য়াইবিশিংন মথং মথং মওং হোংলকই। মমৈথংদ মপুং ফাব য়াইবি ওইরকই। থৱাই হকচাংসু তপন তপন মপুং ফারকই।

হকচাং কয়াৎ

য়াইবি থৱাই অনিন চাংচৎ অমদ মালেমগী পোংচাক ময়াম চোই-চাং (Average) তমলগ শেম্ব হক কৌব অরুম্ব অমবু পুথোকলে। অরুম্ব অতু মতোংগী শরুক অমুক ওইগদবনি, মহাওগী শরুক অমুক য়াওগদবনি, ইগী ইচেম অমুক চেনগদবনি, অয়াকপন অমুক লৈগদবনি, অথুম্বন অমুক অশিনবন চাং অসিদগী হেনব য়াদব, অখাবন অমুক লৈগদব হায়বতু থমলব, মৈ ঈশিং মুংশিংপুসু চোই চাং তমলগ চাংচৎ অমদ লৈহনব হক অতুবু হকচাং কৌনরে। মহক [weight] লৈব অরুম্ব অতুদি কয়াৎ নাইব লেংব ওংপ য়াকমচাং [Body] ওইবন লেংব ওংপ ঙমই। থৱাইন মতুবু থোই, য়াইবিন মতুগী হিংনব ময়াই [Energy] পি। অসুম্ব লৈরকপন মান মান হৈনব মওংদা কয়াৎশি, অতু শিজিন্নরকপদ হেন্ন শিজিন্নব কয়াৎ অতুদা কাশান কা শারক্রুন হেন্ন চাওবা ওইহনলকই, শিজিন্নদব অতুনা পিকশিনখি। মতুদগী শা ভাশিংগী মওং আয়দব ময়াম থোকলকই। য়াইবি মপুং ফারকপ ; থৱাইগী মতিক

তেনগাংখলকপগী মতুং ইন্না চাওবস্না হেনগংলকই। চাওব হেনগং-লকপদা কাশান কয়াং মশিং শুনা য়াংলকই। কাশান কয়াং য়াংলকপগী মতুং ইন্না চাওরকপদ কয়াং মশিং শুরকই। কয়াং মশিং শুরকপগী মতুং ইন্না মওং মতৌস্না চুনলকই। থা জিংন হক-চাংবু থাংবচিংব তৌরকপদা মখোং মখুং লৈরকই। পাখংবন খংনবা ভাকলপদা নিং নাকোং নাতোন য়াওবকই, কয়াং মশিং শুবকই॥

অস্নুম লৈবকথিন্ন ময়াম অসি পৌরেন্ন অবেপ লৈতন কৌরকপদগী রাখল লাক্কুন ওইবকথিবনি। কৌবরেন্ন মমি তমলক্কুন থরাই পানব পুস্ন শেন্ন লোইবে। হেন্দোক থোইদোকপ কযাম্ভ য়াওরকলে। মনম খংবদ হুই, মমিং থে বদ কাকয়েন (Eagle), শারাক হৈবল কৈ, লৌশিং চাওবন লমহুই, শ চাওদ শামু শাগী নিংথৌন নোংশা, ভাগী নিংথৌন ডাবেন, উচেক্কি নিংথৌন কাক্কয়েন মীওস্নন ওইরে। শা-ভা, উচেক হাযা ময়াম্ন মালেম অসিদ নুঙাইন পাল্লকলে। মালেম অসি মখোয়গী ওইবে।

মহৌশ কৌবি ইমান য়াইবিবেন শিদবদগী য়াইবি ময়াম লৌক্করে. নোংথৌদগীস্নু থরাই মিরেন ময়াম পুথবকলে, য়াইবি থরাই ময়াম অতুবু লাইনিংথৌন থরাই পানব ওইন শেন্ন শাব লোইরে। অকনব অথৌব হৈ-শিংলব শা-ভা ময়াম শেনলে। তাইব মী শেম্বাদি ওমত্রবদ তেংবানবগী মপু শিদবগী মফমদ করম্ন তাইবংমী শেম্নগদগে হংজরে। তেংবানবগী মপু শিদবন তেংবানব (Universe) অসিগী মওং পুমনমক শুনা য়াওবব থরাই মিরেনবু লাইনিংথৌদ

শিন্নংকলে। থরাই মিরেন অহুন তাইবং অপংব শেমলে। তাইবং অপ ব অহুবু শান্ইলেন কৌনরে। অকনব অথৌব হৈশিংলব শা ডা মযামগী মবক্তা অপ ব ওইন লৈররে। মালেম অসি তাইবংন ৎনব থৌশিল্লে। মতৌ লাংওন অসিদ লাইয়াম্ন ডকলে।

তাইবং অপ ব কবিম্নু থংজদব অশোন্‌ব অসিন মালেম্‌দ কবম্ন পান্‌গদৌরিবনো? হৈশিংলব মপাঙ্গল বল্লব শা মযাম্ লৈরি, মচি মযা থৌরব শা মযাম্ অসিগী মরক্ত তাইবংন কবম্ন পান্‌গনি, ওইথোক্কবনি। অসিগুম্ব লাইয়াম্‌গী ৱাহৈ কয়া অসিবু তারংদ লাইনি থৌন পাওতাকৃপিবে। মালেম অসিদ চৎনরিব শা-ডাগী ৱাযেন পথাপ্‌ অসিবুদি তেংবান্‌ব মপুগী ৱায়েন্ পথাপ (Universal Law) ন ডমকম থোকপা লৈবন তাইংংন পানব তাইবংপান ওইরকখিগনি। নোংদম্ব মাগী নোংনমখোন, মহৌশাগী পবিং পথাপ (Natural Law) গী মতুং ইন্না অকনবগ অকনবগ ানখেনখিগনি, অহৈবগ অহৈবগ লোইশিন্ন-খিগনি, অশিংবগ অশিংবগ হাৎনখিগনি, অপংবন অপংব ওইন অহুম লৈহৌগনি। তাইবং অপংব মতুংশোনবন মরম খুদিং মাইথিববদ ৱাখল তৌরকখিগনি। ৱাখল থনবদগী লৌশিং লাক-খিগনি। ইরাই লাইব লাইবু থিরকখিগনি। ইরাই লাইব লাইরাবু থংলকখিগনি। মৈ ঈশিং মুংশিংপু কাহুন শিজিন্নরকখিগনি। লাইবু খুৎলাই ওইনং শিজিন্নবদগী লাইগু কৌনরকখিগনি। তাইবং অপংব ওইব মীন লাইগু খ বন মালেম অসি তাইবংন পানব তাইবংপান্ ওইরখিনি। য়েংব হৈযু, খাংব কম্নু হায়ন তাকপিরবদ লাইয়ামম্ন

যাবত্তুন মাগী মাগী মথৌ তৌনখি। অসুম্ব লাইনি থৌন নী শেন লোইববদ চাহি ১৫০৫৫০০ শুরবদ পযোহ কোগী চক লোইখি। লাইগী হৎকো মবি লোইববদ তাইবংগী হৌরক্নুন নীগী মীহৌবেন মতম যৌরকখি।

মীহৌরোনগী হয়িচক

হযিচক্ত শালাইলেন চৌনবেন অনিন তাইবংগী ৫ইনা ল ৫৬০ তৌখি। শকও শকতমদি শমু হকচা যে মানবি ৎৎনি যোংগী শকতমদি মাল্লি অদুবু মীনাবন্ম লৌদ্রাওবনচিবা নীতম্বাল কং- লুপতগীদি তোঙাল্লি শালাইশেন্না যোংমানবিগী মতৌ লা নে অমদ কৌক্রু হাবম পাংবদগী লাকপদ লাইনি চৌনা খবা উমখিদে। থংব উমদবন শালাইলেন নত্তে শমু হকচা যো মানবিনি হাযন লৌখি। পাখংবনা শমু হকচাং যো মানবি অদুবু তাইবগী শাশাই- লেন্নি হাযববু খখি।

ইমা লৈমরেন্দ হংবদ তাইবংগী অপোকপ ওইগদব, তাইবংবু নশাদগী পুথোক্নুন পিব ওস্ব পন্থৌ পিমাবনি। তাইব শাশাই পুম্ববু শন্দোকদব, শলাই পুম্বগী লেন ওইবব শালাইলেন্নি। অসুম্ব পুকোক ওইগদব পিবাবেনবু তাকপিববলবদ, পাখংবন শালা- ই লেনবু মযেক শেংন খংখি তেংবানবগী মপু শিদবগী লাংওন ওইব শালাই লেনবু পাখংবন খংলবদ, লৈবাক লৈখোইরেনগী নমথক শয়োনপুং ময়াই শুমদোংপান কংলা পুংময়োন্দ নিংথিন

থমখি। শাল্লাইলেন্ লৈময়েন অনিন মখম অহুদ লৈরবদ শালাই মাপন পোকখি। শালাই মাপন অহুনা মালেমদা লৈরিবা মী মথল আপন ওইখি। মাপন অহুমগী মফমদা ময়েক লান লৈখিব ওয়েং অহুব-রেক ওয়েং হাইনা খনখি। অতম্বা য়েক ওয়েং শালাই মাপন শনোকখি।

হয়িচক তাইবমীন চাব চিঙ্গাক্তি উত্তোন খাতোন্দ শানব উইহে খাইহে চাই। উইহে খাইহে ফ বব মতমদ চাব য়াব মনা মশিং থিরগা অহিংব ওইনা চাই। লোন্দি শাঙাগ মখোন তিম্ববগুম ঙংব খোংব লাওব নত্তন অতৈ লোন লৈতে। নিংথমথাগী মতমদ নিংথম্ব খাংবদ লৈকু লৈরাইদ লৈ। নোংজুথাগী মতমদন লৈকু লৈহোদ চংহুন খাংই। অতৈ মতমদদি কোইচং চংতুন চিঙ্গাক থিব, চেন চোংহুন শাম্নবনচিংব তৌই। শাঙাগ তোইন শাথেং লানম্বেংনবা তোইবন খুংগু খুংলাই শিজিন্নব হৈখি। চেনব চোংব শাথেং লাম্বেংনব ময়াম অহুন অরাব ওইখি। অরাবগী নিংশা ফুইন হোনবদ হয়ি হয়া হান্নম হায়ব খোংহোক্ক অরাব পোংথানখি। হয়ি হয়া মিংথৈবু তোইন্ন শোনখিব চক অসিবু হয়ি চক কৌনখি।

(Early Man)

অহুম্ম লৈরকপন শাথৈ শালাই চাওরকলে তাইবংমীগী কাং-লুপ মামশিনলকলে।

মালেম লৈশাম্ন কংথালগী শরুকস্ন মচেং য়াম্ন থোকলকলে। মী য়ামথংলকপগী মকুং ইম্ন মী মশেন মুংশিনদব ফুন চৈনব হাংন শুনব থোকলকলে।

কুপা' অবনবমথৈ ফুনবদ শিব নাবস্থ য়াম্ন থোকলে। মফম মফম খুদিংদ পুম্ন চিঞ্জাক খিব চৎপদ অঙম অঙম্ব কাক্সুন চানব অকনবন অশোনববু ভুহৎপনচিংব তোইন থোকলবলে। অসিগুম্ব তোইন ফুন চৈনব অসিদগী কাংলুপকি মঙ্গুংদগী খ্বাইদগী কনবন লুচিব ওইরে। অসুম্ন কাংলুপকি লুচিংব লৈববদ তাবং''- শিংন ইন ওপন লৈব হৌখি।

লৈবাক লৈখোয়রেন ময়াম গুমদোংপান

নমথক শরোনপং কৌন মালেমগী লৈমাইদ ক ফালগী শরুব পুম্ব পম্ন লৈরম্মি। মঙংগী মতুং ইন্ন মহৌশাগী ওইব খোংলৈ বয়ান ইস্লোক ইনশিন ভৌবদ বংফালগী শরুকশিংদ অহোংব বয়া লাকখি। চিংঙ্গী খোংলৈ অয়াংব (Evolution by Earthquake) কয়ান তোইন থোবপন লৈমাইগী মওংস্থ তোইন হোংব মতমনি। অসিগুম্ব মওং অসিদ পাবচাওবব বংফালগী লৈমাই কয়া কয়া মচেৎ মচেৎ ওইন থাপতোকনখি। (The age of Cambrian and Car-anifesus)

অস্থুম্ন মালেমগী লৈশাদ অহোব কয়া লাকপদ ফজরব লাইরৈবাক্কি লমদম অম, নিংথিব মওংদ পিকতক চেংতরু মৎং তান শেম্নখি। লাইরৈবাক অহুবু শেম্বদ মহৌশা লাইরেম্বিন মহৌশাগী ফজব পুম্বন লৈতেংই। চিংন কোইন পনশাব, নিংথমগী উল্লেম য়োঁদব মফমনি। কালেনগী কুংশান শাদব, মতমগী মুংশিংন য়ৈদব, অরা অনা লৈতব মুংভাইরব লৈবাক অম ওইখি। লৈবাক অহুগী মমিংদি লৈবাক লৈকোয়রেন (মনিপুর) কৌনখি।

হায়ব্রিব লৈবাক লৈকোয়রেন কোব ফজরব মফম অসিদ অতিযা শিদবন মীগী মপোক্তা লাংওন তৌবিরকলে । অতিয়া শিদবগী লা এন ওইব কাংবন মৈতৈ লৈথাক্কি অহানব নিংথৌ ওইবে । হয়ি চকি কুমশিং ১৮,০০,০০ শুবদ ওইব নিংথৌনি । অপোকপিগী মিংন শিনবি লৈম কৌই । শিনবি লৈমদি নোংমাই লৈহৌ চিংগী চনু নিংঙোলনি । মহাক্ক কৌব্রগী সুরুংদ কাংবব পোকখি । নিংথৌ কাংব মতম অতুগী অকন অথৌশিংগী মনুংদ থোইদোক হেন্দোকন কনব নিংথৌনি । মহাক্কী লমচিং মথাদ মীযাম্ন মুংঙাইন লৈখি ।

(কাংবলোন)

হযি চক্কি লাইগ মীগ তাইনব মতমনি । মতম অসিদ তাইব-মীসু, লমলক্কী শা উচেককুম মহৌশাগী ওইব মওংগ হাকথেংন্নমনি, তমন লৈবি । তাইবংমীগী কাংলুপন চিংযা তময়াদ কোইন চংলি । উহৈ ৱাহৈন মরূ ওইব চিঙাক ওইবন হৈৱাং যজবব থিবদ নোংমন নোংপোক লৈহৌ চিংদ চংলি । মথংগী সুমিং অমদন লমলেন কাংপোকপিদ য়ৌরকই । থংনব সুমিং অমন লোইজিং লোম্নদ হবাও তয়ামই ।

সুমিং শিংবুম খবন শাথেং লাম্হেনতুন মরেল্লি । মীশিং মীনা থোকলকপদ অসিব হকচাংহু কাবয়েন মীওম্বন পুখি । তাইবংগী কাংলুপশিংন লৈবাইদ লৈবস্থ য়াওই, খরন লৈকুদ য়াবেকই । লমহাং লমজাওদ চেন চোংতুন শাম্নবর্ন অবাং পোংখানৈ । তিনথুং লাইথুং লৈনদে, অনা অয়েক য়াওনদে । পোম্বি চেকলাশিংগী শৈহেক

লৈদাহ থম্মোই মরাং হৌনৈ। মনিং অমন চেন চোংলিব শক্তি শাঙাইশিংগী মচৌদ মিংকি কুন্দৈ ওইনৈ। উাই রাহৈ নিংথিন প্যানব মফমশিংদ মত্তম কুইন লৈথোকই। শা-ঙা কনব মফমদগী থাপত্তোকনব হোংনৈ। ঐগী মীগী লৈনদে পুন্ন পুন্ন চংমিন্নৈ, পুন্ন পুন্ন লৈমিন্নৈ। চাব থকপ মরাং কাইবন মী অয়াম্ব মশা মউ যৈ। মত্তম অসিদ রা ঙাংব থর থর হৌনবে। অনিংব মশেন কো-দোকনবে। অচুম অরান থিনবে। (Early Man)

কাংব নিংথৌন লৈম তারিংমুবু লৈম ওইন লৌই। মচা ইবুংঙো মাপাল লৈথি। মমিংদি কোইকোই, তৈমা, যাম, তেসরোং, উরেনখুব, উরেনহনব, ইরেম, থাবী, লংবা কৌথি। মত্তমগী মতুং ইন্না নিংথৌ কাংবন চাহি ৪৬০ শুববদ পাথ ব ঈবেন্দ লুপথি।

(কাংবরোন)

নিংথৌ কাংবন থুপপ্রবদ মচা ইবুঙো কোইবোইন মোরিয়া কম্বালচা কৌন নিংথৌ ওইথি। নিংথৌ হাকতক অসিদ চকপ কৈরেংদ মমুম মুংঙাইববু শারে, চকপ মুমদারে। চকপ মুমদব, লৈত্তা পুরুমলেন অহানব কৌন লৈত্তা খুন্দারে। মুম লৈবগী মুংঙাইব মত্তৌ উবদ, কাংলুপ অচৈনু মত্তৌ অমন মুম শানরে। মুম অহুম শাতুন মুমদারে, মুমনাক অহুম পাল্লে। অন্নুম লৈরকপন মোরিয়া কম্বালচান চাহি ৩০০ শুবদ নোঙ্গাথি। মত্তম অসিদ হায়ি চহি কুমশিং ১৮,০০,৭৬০ শুরবদ চক অসি লোইথি।

———

মৈহৌরোনগী খুনুংচক

মীওইবন কোইচং চত্তুনা লৈবম্মদগী খুনদ লৈতাখিব চক অসিবু খুনুংচক কৌই। খুনুং চকি মতমদ মরু ওইব শিংথাব যাব থবক্তি খুলিংব, খুঙ্গোকপ, পুন্দাব, খুহিবনি। খুন্দিন য়াকাব থংন চৈনবগী অচুম অয়ান থিনব ময়াম অসিন খুনুংচক ওইখি। পুথ্রি তৌথ্রিব, সৌউবগী মওং থ ত্রিব মতম অসিদ খুনগী মীয়াম চানব থকনবগী অপাব ওইনৈ। অসিগুম্ব অয়াব অসিন তোইন খুন হোংব তাখি। ঈশিং তাংব মতমদ মীয়াম থকনব ঈশিং লৈত্তব-দগী ঈশিং থিব কোইচং চংলি। ঈশিং থিবদ পাং কোম তুরেল্ল-চিংবদ ঈশিং লৈববদি মফম অচুম খুন্দাই। চান থকনব উহৈ য়াহৈ মরাং কাইব ঈশিং য়াংঙব মফমদ খুন্দা লৈতাবগী অফব মফম ওইনৈ। অসিগুম্ব ময়াম অসিন খুনুংচকি মরু ওইব শকতমনি।

(Pre History Period)

খুল্লিংঙবপ মতম অসিদ খুঙ্গোকয়াই, খুঙ্গোকঙানবি খুনলৈম-নচিংব জাংঙন লক্নুন হৈ-শিংল খুঙ্গোকপ খুন্দাব হৌখি। মী য়ামথংলকলব মতম অসিদ লৌ উবগী মও লৈত্রিবন চিঙ্গাক য়াংপগী অয়াব ওইনরে। অতুম্ব চিঙ্গাক য়াংলকলবদ মচা য়োকলিবি মমা-শিংন যেনবিগী মঙ্গোগুম্ব চিঙ্গাক থিরকই। উনা য়ানা পুম্ব শেঙ্গুন কাক্নুন চিঙ্গাক থিরকপদ, কাইন য়েনগী য়েনবিগুম মখিক মথা।

ইহাম হায় মচা ময়ামগী মপুক থয়ব চিঞ্জাক থিদকই। মুপিশি ন চিঞ্জাক লৈব মফম থিরদ মীয়াম পুন্ন থোক্কনকপবু খুম্হোকপ কৌনৈ। মীয়াম পুন্ন চংতুনা লৈব য়াব মফম থিববু খুম্থিব কৌনৈ। মীয়াম পুন্ন লৈতা খুন্দাব মতমদ খুন্দাব কৌনৈ। খুন্দাব মতমদ খুন্দাব কৌনৈ। খুন্দাব মফম অতুন্ন উশা রাশা উনা রালা ময়াম্ন থাংপোক ওইন য়ুম থর শাই। থাংপোকশিং অতুন্ন অচিং য়াবেকই, নোংজু গুংশা থাংকস্তু থাংপোক অতুদ থাংই। মতম অসিদ মুপিশিংগী থৌদাং য়াম্ন চাওই। খুম্হোকপস্তু খুম্থিবস্তু মচা য়োকখিবি মুপিশিংনি। মুপাশি দি মচা য়োকপগী থৌদাং য়াওদে মান মান থোকপ প চং চংতুন লৈথোকই। মুপা মশেন ফুন চৈনবদ লান ওইনবস্তু য়াওই। অছুবু অচৌ অচৌব শাশিংগ লাম্লেংনব মতমদদি মুপাশিংন অচৌব থৌদাং লৌই। অস্তুম্ন খুম্হোকলকপ খুম্থিরকপা অসিবু তেকপি একন খুম্থিব কাইন য়েন্ন খুন্দাব হায়ন থংনখি। চক অসিদ মৈ পুথোক্কুন মৈ শিজিন্নব হৌরে। মৈ হৌব, মৈ য়োকপা, মৈদ চাব য়াব পোং লৌরগ চাব হৈরকলে। পান মাইরেন শা ওানচিংব লৌতুনা চাব হৌ-রকলে। মৈ হৌব হৈরকলবদ চক অসিবু মৈহৌরোন হায়নস্তু থংনখি। খুন্দা লৈতাব তৌব চকনি হায়তুনস্তু খুমুংচক কৌনখি।

(পাথাংকোক পুথাংকোক্কি রাবি)

খুমুংচক্ত পান্নব মৈতৈ নিংথৌশিংগী মমিংদি (১) তৈমা (২) তারি (৩) শাকাপপা (৪) রাংকাপা মরি অসিন মরু ওইব

নিংখৌশিংনি। খুমুংচাক্কি চহি ১৯৭৭-০৫ শুখদ চক অসি লৌইখি।
(লৌশাং লাংমোল)

থাইন ময়াংডৈগী লাংব চক

খুনবি খুল্লেন ময়াম অশুম তাম্বরকপগী ক্লান ত্তৌনক্ষকপ, অমান অমানু লোই চক্লব হোংনব, লান্দ মাইথিবন মথা পোন্দুন, লোইপোং হাব মতমনি। শাদ লান্দ হৈন্সিংলেব অকল অখৌশিংন অশুম অথৌ ওইব, হুইয়েন লানগী লানবাও কনবন মিপাই থবাইনব, তং তাব পুন্সিদ লৈতবন, তুংদ করি খোকলগদগে থনবদ লাংতকনথি। লৈতাদব পুমলাং লাংব চয়াংনব চক অসিবু লাংব চক কৌনখি। অসিগুম্বা চয়াংনব মতম অসিদ লানগী খুংগু খুলাই শাব, খুং চুম্ব তাম্বব, শাথেং লাঙ্গেংনব ভম্ব, য়েকনবদগী ভাকথোকনব হোংনব, কনব হৈব তাম্বব, অকনববু অয়াংব থাক্তা থম্ব অসিনচিংব অসিন লাংব চক্কি মপুং ওইব শকতম ওইখি।

চক অসিদ খুংগু-খুংলাই শাব, চাক থোংব, ফিশাব, য়ুম শাব, লৌ উব, ঈশৈ নোংমাই হায়াও কুমৈহে লাইনিং লাইশোন্নচিংবসু লৈরে। কৈথেল্দ পোংক পোংক শিক্ষুন লৈব য়োনবনচিংবসু থোৌরে। লৈবাক নিংথৌ নিংথিন 'শাজে, রায়েব চৈরাক কজন লৈরে। রায়েন থৌদা নিংথিন "শাংথোকনব" অশুম অথৌ কমনাইব মশিং য়ায় লৈরে। লৈবাক মীয়াম চংকদব

চৎনবগী পাঙ্গিং, [illegible] [illegible]। [illegible] মৈৰ নিংথৌগী [illegible] [illegible] কন্না [illegible]; পাঙ্গিং পথাপ ওইনা চৎনবে। নুং দানব ফজবন হেন্নোক খোইদোকপা ওইনখ্রকলে।

লাংবা চক পান্নগ মৈতৈ নিংথৌগী মমিং মখং শিংনা কককুৱ তোংকোনব, শিতিং[illegible], লায়বিকা-অমদি শোপাইবনি। নিংথৌ শোপাইবন মচা ইবুংঙো অম ক ব মতমদ চিংঙ্গী থোংলৈ অয়াংবা হায়রন [illegible] থকিবা যংবা বুহার হাব অম থোকলক্লন মী লখ। [illegible] শিথি। বুহারহাব অতুদ মী থরদমক হিংহৌই। মতম অসিদ লাংবা চকি কুমশিং ১৬০৬৬০০ শুরবদ চক অসি লোইখি।

কোন্নাচক

[illegible] [illegible] পাথংবকী [illegible] [illegible] কাওবদ ওইরিবা ইরুকান [illegible] চনা অসিদু কোন্নাচক্র কৌই। মতম অসিদি Historical record লিংখিন [illegible] ওইবনা History [illegible] [illegible] [illegible] অসিদু [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

মচং ওইবা বাক্যশ খর

মথক্তি রাগি বাসিকী মচং ওইবা খর লৌথ তাক্লগনি মথাগী অমুম শিব তাই।

১.১ লো কৌব অমস্ব— তেংবানব অতি থৈমিট্টৈরা অহাংবদা নোং কৌব অমস্ব ওইনা লৈথিব মতম।

১.২ অতিংকোক— নোং কৌব অমস্বন অতিংকোক ওইরূপ। অতিংকোকন নৈ, ঈশিং, মুংশিৎ অমুমু পোকখিব। মৈন অতিংকোক মরু শিদব ওইখিব, ঈশিং মুংশিং অনিম মি মকু পাঙলব ওইখিব মতম।

১.৩ অতিংথম—লৈরমগীবদগী লৈররুশিব পোংশিং অশিমু মাংহন তাকহনর ওব অহাংব অতিংগী থম (Limit) মোকলকুন অতিংথম ওইখিব মতম।

১.৪ অতিংকোক মঙ্গশিদবা—অতিংকোক মরু শিরুন হি মল্ল য়াই মরু ওইনা বশা য়াইহিংথো কৌন লৈইন লৈইন লৈবাক লৈমবু পোকখিব মতম।

২.১ কোহংকোদ—লৈবাক লৈমম লৈবাক পাম্লিবেন ওইনা লৈই লৈইন লৈহৌরকপুন কংলা লোংলৈরাং ওইখিব মতম।

২.২ [illegible]—লৈবাক [illegible] '[illegible]' [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]) [illegible] Galaxy [illegible] [illegible]

২.৩ অয়োইংকোন—মাংখৈগী ঢৌলবাক নৈথো চেনখিবাই ওমদোংপান লুমথক, শয়োনপুং কোৎ কেছিয়ান, মমাঙগী মহুমদ য়েল হায়রবন লৈরিব অশং অমানশিংন য়েলহৌরকপ মতম।

২.৪ 'পয়োইংকোন'—খরাই পানবশিংন মখি ওমলকপন হৌরকপদ মিহৌরোন ওইখিব মতম।

৩.১ হয়ি চক—তাইবং মীন হৌরকপদ মীহৌরোন ওইখিব মতম।

৩.২ খুবুংচক—মী ওইবন লৈতা খুন্দাহুন মৈ শিজিন্নরকপদ মৈহৌরোন ওইখিব মতম।

৩.৩ লাংব চক—মীথোই, মীহেক্কর কয়াগী পুন্সিদ থোকখিব থৌদোক থাথোক কয়ান থাইন মমাংডৈগী য়ারি শিংবুন ওইখিব মতম।

৩.৪ কোনন্না চক—নোংদা লাইরেন পাখংবদগী হৌরগ হৌজিক ওইরিবা চক অসিনু খরৈ।

ওইরকলিব ময়াম অসিগী লৈনথ মরি—

অসুম ওইরকলিব পুন্নমক অসি মহৌশা কোবি ইমাগী মহৌশাগী ওইব মওং দ মথং মথং ওইরকখিবনি। পোংচাকন অতিয়াগী অচৌব পোং ওইহন্নখি। অতিয়াগী অচৌব পোংশিংন চাওর চাওরব অতিয়া য়াবশিং ওইখি।। চাওরব চাওরব মরম কয়ান থোক্লক্লং নাইন শাদ মতম হায়ব অদুবু পুথোরকই। মতম লৈরক্লবদ মতম মরম কাইনলকই। অদুগুম মতম অতম মরাই অহৎ, মহৌশা কোবি মথং ওইন পুথোকখি। মথোক অহন অসি পুথোকপদ

মতিক ময়াম চংখি। মতিক ময়াম অসিগী মখো মঙম ময়াম অচৌব থৌশিন অম ওইখি। থৌশিল্ল থৌরম অম ওইন থৌদারক্লন পুম্নমক অসি ওইখিবনি। অমরোমদ হায়রবদ, পোংচাকন অশং অমান নাপি শিংবিবু পোকখি। অশং অমান্ন য়াইবি থব্লাই পানব পোকলকই। অমুকসু য়াইবি থব্লাই পানবশিংন অশং অমান চাহুন হিঙই। অশং অমান নাপি শিংবিশিংন পোংচাকপু মচিঙ্গাক ওই। মখোয় অহুম অসি কয়াগী মতিক মরি লৈনব হায়বহু খন্থকরবদি অঙকপ ওইন থোকই। শম্ন হায়রবদ খ্বাইদগী নকনব মপি মপা ওইরিব অহুবু চারগ হিঙই। খ্বাইদগী নকনব মপি মপা ওইরিব অহুগী মতেং য়াওক্রবদি হিঙব ঙমদে।

অপোকলোন্দা অপোকপা মথং মথং ওইন অমুক য়েংশি। তাইবং মীদি শালাইলেম্না পোকপনি। শালাইলেন্দি থব্লাই পানবশিংদগী ওইখিবনি। থব্লাই পানবশিংদি অশং অমান নাপি শিংবিশিংন ওইখিহুন পোকলকপনি। অশং অমান নাপি শিংবিশিংদি পোংচাক ওইন লৈরিব বৈ ঈশিং ফুংশিং মালেম অতিয়া হায়হুন লৈরিব মঙা অসিন পোকলকপনি। হায়রিব পোংচাক মঙা অসিদি অহাংব অতিংকোকন পোকলকপনি। অহু ওইরবদি পোকলেন পোকপা অপোকপা কনানো? ইবুধৌ খুরুম্ন কনানো? পুরোন তরেংন কনানো? য়োকপিরন, কনানো? থাকপিবন কনানো? লাই হায়বহুন করিনো? মী হায়বহুন কনানো? রাখল থহুব মতম ওইরে।

—লোইরবা—

লাইরিক ফংফম—

১। কেমেরা হাউস

২। বংলা বুক হাউস

৩। মনামহি লাইনিংলোন কাকৈথেল।